ওঁ

মনিপুর প্রতিভা।

ওঁ

মণিপুর প্রতিভা।

(প্রথমাধ্যায়ঃ)

—‡—

পণ্ডিতরাজ— শ্রীঅতোম্বাপু বিদ্যারত্ন প্রণীতা

(মণিপুরীয ভাষাযাং)


——‡——

শ্রীখন্নাম মধুমালি সিংহেন
চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস নামক মুদ্রণযন্ত্রালয়ে মুদ্রয়িত্বা
ভাগ্যবতী কার্য্যালয়ে, ইম্ফাল, মণিপুরে,
প্রকাশিতা।

—‡—

[illegible]

মুল্যং [illegible]


University-Centre of Post-

ভূমিকা।

মণিপূবনা ভাবততা লৈবা লৈপাক পুম্বাদগী কূইববা লৈপাকনি। মরম অসিনা মহাক্কী ইথ্বাইদগী হেন্না কুইংবা মতৌবু লৈপাক অসিদা লৈবা পোংশকনা অমস্তু লৈপাক অসিদা লৈবা মীগী সংস্কৃতিনা তাকই। মহাক্না কুইমনখ্রবা অসিনা অনৌবা কুইদ্রিবগা ইমান মান্নদে। মাহুদা— খংদবা মীনা পণ্ডিত সাবহুনা "মহাভাবতকী মণিপূরদি মাসি নত্তে, মখোই অসিদা লৈবা মীসীং অসিদি কুইদবি হুজিত্তগী চহি ৩০০ বোমতা ঙাইরি।" অসিনাচিংবা চোইবোন লোনলি। মাখোইনা লোনবা চোইবোল অতুনা খোপ-নৌরিবা অঙাংসীংদা চংখিহুনা মশান মশাবু মশক খংদুরে। অতুনা মৈতৈ ঐখোইগী ঈশক খংজনবগী-দমক ইবা লাইবিকসীংগী মন্নুংদা— "মণিপূব প্রতিভা" অসি অমনি। হুজিক্তি কবিগুপ্পা অথুবা অমাগী দমক মণিপূব প্রতিভাগী অহানবা পন্দুপকী মথৈ ইংলিশতা অনুবাদ তৌথোরবগী দমক ছাপা তৌথোক্লিবনি। ইতি—

চিবাশ্রব:— গ্রন্থকাব।

মণিপূব ১১৬৫ সজিভু।

ৱাক্‌ষম্ ফোংদোকপা।

লা ১ দা (অহৌবদা) নোংপোক (নোংপোক্কী বিন্দু), মুমিৎপু এংতুনা মোংপোক থিবা, মুমিংযুংবা, হিন্দুগী ধর্ম্ম শাস্ত্রনা সিজন্নবা মতম, এষ্ট্রোগোমিগী নোংপোক্কা, বে দনা তাকপা নোংপোক্কা তিন্নদবা।

লা ২ দা বেদগী নোংপোক তাকপা, বেদনা নোংপোক্কী বিন্দু থিবা। লা ৩ দা প্রাগ্‌বংশ শালা, শূন্যবিন্থানা নোংপোক্কী বিন্দু থিবা। ৪ দা বেদগী নোংপোক কৌবা মফমদা শ্রীবিষ্ণুপাদ ওইবা। ঋগ্‌বেদনা তাকপা বিষ্ণুপাদ স্থান। ৫ দা বিষ্ণুনা পৃথিবীদা খোং থাংতুনা চৎপগী ব্রাহ্মণ, পুরাণসীংগী ব্যাখ্যা। ৬ তা বেদগী নোংপোক্কী বিন্দুনা তাবা চীঙবু রামায়ণনা উদয় পর্ব্বত কৌবা। ৭ রামায়ণনা উদয় পর্ব্বতকী লে টিচুট অমসুং লোঙ্গিচুট তাকপা। ৮।৯ দা মহাভারতনা উদয় পর্ব্বতপু তাকপা। ১০ দা উদয় চীঙবু মহাভারতনা হাঙ্গবগী অনুবাদ অমসু মাতুদা সমীক্ষা তৌবা। ১১দা বেদগী নোংপোকনা তাবা চীঙদা মণিপুর চক্র লৈ, মাতুবু এংতুনা লম অতুবু মণিপুর কৌই। অর্জ্জুননা হিমালয় ১নাক্কগী মণিপুর তান্না চৎপগী লম্বেন তাকপা। ১২—১৬ ফাউবা মহাভারতকী অসম্বা ৱাক্‌ষম, যোগদা পান্দুনা মহাভারতপু ব্যাসনা লেংবা। ১৭—২৪ অর্জ্জুননা তীর্থ চৎপা, অনৌবা পণ্ডিতসীংনা মণিপুর মশক থংদতুনা চোইগ্নোন লোনবা, অর্জ্জুননা মণিপুরদা চিত্রাঙ্গদা লৌবা বভ্রুবাহন পোকপা, বভ্রুবাহনগী অধ্যাত্মিকার্থ" ২৫—৩৪ তা অর্জ্জুননা মণিপুরবু ঙমলবা তুংদা বন চৎপদা দিব্যচক্ষু ফংনবা ইন্দ্রকিলদা অর্জ্জুননা তপস্যা তৌবা। ২৭ তা মণিপুরবু বেদদা প্রত্নৌকস কৌই, তাকপা ২৮ প্রত্নৌকস্‌কী মফম থিবা। ২৯ রামায়ণগী প্রমাণনা মণিপুর লৈপাক্কী চীঙ দোনদা তাবা বেদগী বিন্দুবু বর্ণনা তৌবা। ৩০ ব্রাহ্মণভাগতা মণিপুরগী যুম্ফালবু প্রাচীন ভবন কৌবা। ৩১ ৩৪ যুম্ফালবু প্রাচীনভবন কৌবগী মরমদা শতপথ ব্রাহ্মণগী ৱারিনা প্রমাণ তৌবা। শতপথগী ৱারিগা মৈত্রেগী অনুশ্রুতি থাম্নতুনা এংবা, অহানবা পন্দুপ লোইবা।

অথ শান্তিপাঠম্।

ওঁ আপ্যায়ন্তু মমাঙ্গানি বাক্প্রাণশ্চক্ষুঃ শ্রোত্রমথো বলমিন্দ্রিয়াণি চ।

সর্ব্বাণি সর্ব্বং ব্রহ্মোপনিষদং মাহং ব্রহ্ম নিরাকুর্য্যাং মা মা

ব্রহ্মনিরাকরণমস্ত্বনিরাকরণং মেঽস্তু। তদাত্মনি নিরতে

য উপনিষৎসু ধর্ম্মাস্তে ময়ি সন্তু তে ময়ি সন্তু।

ওঁ শান্তিঃ শান্তিঃ শান্তিঃ ওঁ।

ওঁ হরিঃ ওঁ॥

—:—

মঙ্গলাচরণং।

মায়া কৃতনমদ্ ব্রহ্ম পরং ব্রহ্ম নরাকৃতি।

শ্রীকৃষ্ণাখ্যং পরং ধাম জগদ্ধাম নমামি তৎ॥১॥

প্রণম্য মাতরং ভূয়ঃ পিতরং করুণার্ণবম্।

ক্রিয়তে মণিপুরস্য প্রতিভা সুন্দরী ময়া॥২॥

বেদেষু বহুধা গীতং ছন্দোভির্বিবিধৈঃ পৃথক্।

প্রত্নোকঃ পৃথিবীনাভিঃ প্রাচীনং ভবনং তথা॥৩॥

ত্রিবিক্রমস্য বিষ্ণোশ্চ পাদস্থানং প্রচক্ষ্যতে।

তত্র পূর্ব্বং জগৌ বেদান্ ব্রহ্মা লোকপিতামহঃ॥৪॥

এষ পূর্ব্বো দিশাং ভাগো ব্যাসেনামিততেজসা।

জয়াখ্যে ভারতে নাম্না মণিপুরং প্রচক্ষ্যতে॥৫॥

তস্য দেশস্য প্রতিভাং স্বর্গেভ্যোঽপ্যতিসুন্দরীম্।

ঋষীণাং বচসা সম্যগ্ বিলিখামি সতাংমুদে॥৬॥

মণিপুর প্রতিভা।

—— ০ঃ(ঞ্চ)ঃ০ ——

নোংপোক।

শাস্ত্রকাবসীংনা হ ঈ,— নুমিৎনা থোক্লকপা মাইকৈবু নোংপোক কৌই। তৌইগুমস্নু মাহুনাদি নোংপোক্কী বিন্দুগী মফমবু খংবদি য়াদে। মরমদি ক্ষিতিজবৃত্তদা নুমিৎন থোরকপা বিন্দুদি নুমিৎ খুদিংগী তিন্নদে। করিগুম্বা মফম অমদগী মনংলোমদা অচুম্বা নোংপোক (ট ইষ্ট) তন্না লয়ি অমা চিংখ্রবদি লয়ি অহুনা ডিগ্রি ৯০° সুবদা মথারোমদা লৈবা বিষুব বৃত্তবু কক্কদবনি, মহুবু নোংপোক্কী বিন্দু কৌই। (পূর্ব্বস্বস্তিক = east point or east cardinal point ইথ্বাইনা মাইকৈ অহুবু নোংপোক কৌনৈ)। নুমিৎতগী এংহুনা মহাকপু মশক থংগে হাঙৈরবদি, বিষুবদিন হাঙৈবদি অহিংগা নুংথিনগা শাংব চপমান্নবা নুমিৎতা নুমিৎকী Declination ক্রান্তি লৈতে হ ঈনা পরিকল্পনা তৌগদবনি খনগদবনি। নুমিৎ অহুদা নুমিৎপু ক্ষিতিজবৃত্তদা নোংপোক্কী বিন্দুদা থোকপা উগনি। মরম অসিদগী মাহু তন্না লয়ি অমা চিংলবদি লয়ি অহুনা মনিং মমাংগী অচুম্বা লয়ি ওই। মাহুদা অরাংলোমদা লম্ব অমা চিংলবদি লম্ব অহুগী মতোননা ধ্রুবতারাবু থিনগদবনি। নুমিৎ খুদিংগী নুমিৎকীময়োন (কেন্দ্র) না লয়ি অহু হেক য়োবদা নুমিৎ য়ুংগদবনি (স্ফুটমধ্যাহ্ন ওইগদবনি) মতম অহুদা সূর্য্য ঘড়ী (sun dial) গী পুং ১২ তাগদবনি। মতম অহুবু ধর্ম্মশাস্ত্রনা মমি ওনবা (ছায়াপরিবর্ত্তন) কৌই। মতম অসিনা স্মৃতিনা হাঙৈবা ধর্ম্ম পুম্বাগী অঙনি, হাঙৈবদি স্মৃতি শাস্ত্রগী ধর্ম্মপুম্বা মতম অহুদগী লৌহুনা তৌগদবনি। মাসুম তৌহুনা ধর্ম্মগী অঙবু খংনবাগীদমক এষ্ট্রোনোমিনা নোংপোক্কী বিন্দুবু মাসুম্না তাকই। তৌইগুমস্নু বেদনাদি অসিগুম্বা নোংপোক্কী বিন্দু অসিবু লৌদে। হাঙৈবদি বেদনা তাকপা নোংপোক্কী বিন্দুগা এষ্ট্রোনোমিনা তাকপা নোংপোক্কী বিন্দুগা [illegible] [illegible] থেত্রে। (হাঙৈবদি বেদনা নোংপোকপুদি ইথ্বাইনা নোংপোক [illegible] [illegible])।

বেদগী নোংপোক।

বেদনা হায়গী,— নোংপোক্তা য়া অমা য়ুংগদি, মাগী মনুংথা নোংচুপ-তা য়া অমা য়ুংলগা নোংপোক তমনা য়া অমা কৈগনি। মাহুগী মতোনদা য়ুম অমা সাগনি, মাবু প্রাগ্ বংশ শালা কৌই। মাহুদা যজমানগী মতু লৈগনি, অমসু যজ্ঞগী পোৎলম পুম্বা থমগনি। মাসুমনা মৈ শেংদোক্লবা কৃশত্তিকাগী হোৌগৎপা মতমদা স্থণ্ডিলগী মথাথংবা মচিদা খুদোল তরানি-থোই শাংবা লয়ি অমা নোংপোক তম্না চিংগনি। লয়ি অতুগী মপু লাইদি পৃথিবীনি, হায়িতুনা যজমাননা নিংগদবনি (পরিকল্পনা তৌগদবনি) মা-সুম তৌতুনা বেদনা হায়িরিবা প্রাগ বংশ শালা, সাবা, লয়ি চিংবনাচিংবদা মতোননা ওনগদবা নোংপোক অতু মমাংলোমদা ওননিংবা অমদা হেক্তা ওনবা য়াদে। মাহুদি ফোদগী চেং ওনহনবদি খুজিন্না খোকপনাচিংবনাসু ওইহনবা য়াই, তৌইগুমসু বেদগী চরু থোংনবা চেঙদি অককনবা স্থনদা অকক্লবা সুকনা হৌনবিগী মতুংইন্না সুবা চেং নত্রবদি য়াদবাগুম্বনি। মরমদি বেদনা তাকপা নোংপোক অতু নত্তরবদি বেদগী থবক পুম্বা পণ্ড ওই হায়-বদি তৌরিবা থবক পুম্নামক অতুদগী ধর্ম্ম ওইদে মহৈ ফংদে।

বেদগী নোংপোকী বিন্দুথিবা।

শতপথ ব্রাহ্মণনা হায়,—

"একং দ্বৌ ত্রীণি চত্বারি বা অন্যানি নক্ষত্রাণ্যথৈতা এব ভূয়িষ্ঠা, যৎ কৃত্তিকাস্তদ্ ভূয়মানমেবৈ তদুপৈতি তস্মাৎ কৃত্তিকাস্বাদধীত।"

"এতাহবৈ প্রাচ্যৈদিশো ন চ্যবন্তে সর্ব্বাণি হ বা অন্যানি নক্ষত্রাণি প্রাচ্যৈ দিশশ্চ্যবন্তে, তৎ প্রাচ্যামেবাস্যৈ তদ্দেশহিতৌ ভবত স্তস্মাৎ কৃত্তিকাস্বাদধীত॥"

থোকলিবা থম্বালথচাকসীং অসি খোংচোংস্থূপী নত্রবাগী মথৈদি, অমা অসি, অহুম নত্রগা মরি পুম্না থোকই। খোংচোংস্থূপীমা সম্নোম চাওবা হেৎনা অচৌবা ফংই। মরম অসিদগী খোংচোংস্থূপীদা মৈ হৌগনি। *

---

* বৈদিক আর্য্যসিংদি বেদীদা মৈ হৌরগা অচাপোৎ মৈদা থাবতমু ধর্ম্ম কৌই। আর্য্যসিংনা মৈবু থাগা খোংচোং স্থূপীগা অকিনা অতিয়াদা জ্যোতিষ চক্রদা তিত্রি চক্রগী শা মতুংদা উবা মতমদা মৈ থাদনা হৌগদি হায়রদি। মাহু তৌবাবু মৈত্তেরোনদা 'মৈরুং ইত্তাখুনা কৌই।

"খোংচোংলুপী সরোয়া নোংপোকপু থাদোক্তে, অতৈ অহোংপপা প্রয়ানচাক্তমীং-দি নোংপোকপু থাদোকই। মরম অদুনগী 'নোংপোকপা' খোকপী খোংচোংলুপী অসি গীদমক নোংপোক মাইকৈনে অমসুং অকবনে অনিনা ওই, মরম অদুনগী খোংচোংলুপীদা মৈ হৌগদবনি।" অসুম্না শুক্ল যজুর্ব্বেদ শতপথ শ্রুতিনা হাই। অসিগুমবা বেদগী হাহৈ অসিদগী অংবপপা থাএন অমা (নিয়ম বিধি) পুথোক্লে। মাদুদি—"নোংপোকী বিন্দুদি খোংচোং লুপীবু এংদুনা থিয়ু অসিনি থৈখোইনা তৌবা অসি-গী কর্ম্মাঙ্গ শুত্রদা দেবযজন কল্পনাসু তৌই,—

"প্রাগ্‌ বংশ শালাং স্থাপয়ন্তি কৃত্তিকাঃ,
খল্বিমাঃ প্রাচীংদিশং ন পরিজহতি,
তাসাং দর্শনেন মাপয়েদ্। ইতি।"

খোংচোংলুপীনা প্রাগ্‌বংশ কৌবা য়ুম্বু মাগী মকথদা লৈহনদি। মরমদি—খোং-চোংলুপী সরোমনা নোংপোকপু থাদোক্তে। মাদুদি,— মাখোইবু এংদুনা নোংপোক মাইকৈবু ওনগনি (মাপ তৌগনি) অসিনি। ওন্দুনা এংগনি, হাইবসিদগী শুথবিভা-না এশ্বা তারে, মাদুদি কাত্যায়ননা শ্লোক শুত্রদা হাই,—

"এতৎ প্রাচ্যাদিশোরূপং—
যুগমাত্রোদিতে পুরঃ। ইতি"

"মাসিনা (খোংচোংলুপীনা) মমাংদা যুগ অমদা থোক্লবদা নোংপোকী মথক ওই অসিনি।" মাসিদা হায়রিবা "যুগ" হাহৈসিবু মহাকী ভাষ্য ব্যাখ্যাদা মহী-ধরনা হাই,—

"বৃষভস্কন্ধোপরি দীয়মানং কাষ্ঠং যুগং তৎষড়শীত্যঙ্গুলা ইতি।"

মপোংকী অয়েংদা হাপপা পোপপুবু যুগ কৌই, মহাক্কি খুদোল মরিফুতরাঙ্গুলি।

অথবা হাইশ্রবা থাকমসিং অসিদগী থংলে, মাদুদি বেদনা তাক্কই, খোংচোং-লুপী প্রয়ানমচাকনা নোংপোকথংবা হোয়াইজনদা খুদোল মরিফুতরুক থাংথংপদা খোকপা মকম অদুনা বেদনা তাকপা নোংপোকী বিন্দুনি। মতাক্কি ক্রান্তি লৈবনি, অয়াংলোমদা গ্রোপিক শুক কেনসরগী মন্ত্রাঙ্কা খোকপা প্রয়ানমচাকনি। মহাকনা কাহিবা মকম অমগী ইট্ট পোইন্টবু তোঙ্গোকপা তৌবন। মাসিদগী চিনবা লৈতনা থংলে, মাদুদি অয়নবগী কহিবা মকম অমবু বেদনা মহাকী নোংপোক কৌই হায়দুনা তাকই। অদুনদি মরেকনা তারে, বেদগী নোংপোকা এক্ট্রোনোমিগী নোং-নোংপোক্লা অনিসি তিন্নদে। মকম অসিবু বেদদা বিন্দুগী শাদহাম কৌই, অমসুং

চুদিংবা অহানবা থোকখিনি হান্সি, ময়ম তত্তনা মহাকপু উদয়পর্বতন্ন কৌই। মাদুম তৌতুনা মখম অসিদা লাইসীংনা অহানবদা লৈরঙই, মরম অত্তদা লম অসিবু বেদনা প্রতৌকস. হান্সিবদি প্রাচীন ভবনস্ন কৌই।

বিষ্ণু পাদস্থানং।

অতো দেবা অবন্তু নো বিষ্ণু র্যতে বিচক্রমে। পৃথিব্যাঃ সপ্তধামভিঃ।

(ঋগবেদ ১।৫।২২।১৬)

লৈপাক মথক অসিদগী বিষ্ণুনা ছন্দঃ তরেৎনা মখম ওইদুনা মখোং য়ামনা থাংতুনা চৎখি। মরম অসিদগী লাইসীংনা লৈপাক অসিদগী ঐ-খোইবু ঙাকপিসন্নু। (১)

ইদং বিষ্ণুর্বিচক্রমে ত্রেধা নিদধে পদং। সমূঢ়মস্য পাংসুরে।

(ঋগবেদ ১।৫।২২।১৭)

বিষ্ণুনা তাইবংপানবা অসিবু কোইনা চৎখি, মাতুদা মহাক্কা খোঙথাং অহুম থাংখি; মহাক্কী উফননা তিল্লবা খোঙ্গুনগী মনুদ ত বংপানব পুন্থানা লৈখি। (২)

---

(১) সুক্ত অসিগী মন্ত্র অসিদগী মন্ত্র ভকনা বিষ্ণু মংকহ্ন সান্দাবনা হান্সি মন্ত্র অসিদা য়াওরিবা "সপ্তধামভিঃ" ধম তরেং লৈনিঙ্গা থম্বা অসি অর্থদা পণ্ডিতসীংগী মত মায়নব। ঐখোইনা সায়নাচার্যগী মত লৈনা ছন্দঃ হান্সিনা অনুবাদ তৌরে। অনৌবা পণ্ডিতসীংনা মায় কিরণ হান্সিবদি মতুন অমুম্না অর্থ হন্নি। অমসু কনাগুম্বাসীংনা শামবু প্রদেশ হান্সিবদি লৈপাক তরেৎ অমুম্না অর্থ হন্নি।
(Torough the Sevens regions Sinskrit Text. Vo. IV, 1863)
মাখোইনা হান্সি,— থাইনা আর্যসীংনা মখোইগী অহানবা লৈফমদা লৈরিঙৈদা মাপৈ তরেৎ থোকনা থাইরমই। মাখোইনা করিঙ্গুম্বা মরম ভমবদা মায়াদ লৈফম্নু থাদো-ক্লম্না মখম তরেৎতা চৎখি অত্তগা তোঙান ২ না লৈনখি। মখুদি ১ ভারততা হিন্দু; ২ পারস্যাদা পার্শিয়ান, ৩ ইরজ অমসু জর্মনসী, টিউটন ৫ রাশিয়াদা স্লাভিয়ান ৫ ক্রান্সদা কেল্টিক, ৬ গ্রীশদা পিলাস অমসু ৭ ইটালীদা রোমান. মাখোই তরেৎ অসিনি। অদুমনা অনুমনা তৌই।

(২) মন্ত্র অসিগী অর্থদা পণ্ডিতসীংগী মত য়াম্না মায়দে। রমানাথ সরস্বতীনা

সমীক্ষা,— ভুমিংপু বিষ্ণু কৌই। য়াস্কাচার্যনা নিরুক্তদা হাঙ্গী, মাতুদি, মকমপুন্নমক্তা সিংথুক্না লৈববু বিষ্ণু কৌই। মহাকনা মকুম অংমদা লৈ, মাংদি শাকপুনি আচার্যগী মততা লৈপাক্তা মৈ ওইনা, লৈপক্কা নোংথাগা অনিগী মরক অহাংবা, অতিয়াদা নোংপা ওইনা অমসুং নোংক্তা ভুমিং ওইনা লৈ। ঔর্ণনাভ আচার্যনা হাঙ্গীব নবু বিষ্ণুনা মকম অহুমদা চংলি, হাঙ্গীবদি থোরকপা মতমদা উদয়চীঙদা মুংবা মতম দা [illegible] হাঙ্গীনদি [illegible] অমসুং তাবা মতমদা গয়শিরস. হাঙ্গীবদি [illegible] চংলি [illegible], [illegible] শাকপুনি অমসু ঔর্ণনাভ আচার্য অনিগী মত [illegible] বিষ্ণুনা বাথা তৌতুনা বিষ্ণুবু হুমিংনি, হাঙ্গীনা [illegible]।

[illegible] ব্রাহ্মণনা [illegible] মাতুদি,— লাইগা হিংচাবগা অনিনা তাইবংপানবু [illegible] অহুম্না থাংতুনা ওনবা ঙম্বা লমগী [illegible] ওইবা। মাতুবু হিংচাবসু য়ারে। অতুদগী বিষ্ণুনা [illegible] কয় থাতুনা তাইবংপুম্ববু বেদ অমসুং য়াহৈনা সিনথুংথি। [illegible]

[illegible] হিংচাবনা হাঙ্গী, মাতুদি বামনগী মকক [illegible] বিষ্ণুনা [illegible] মকমগী মথ লাইগী ওইবা, অ[illegible] লাইসু য়ারে। মাতুদা বিষ্ণুনা তাইবংপান ব[illegible] তাইবপুম্বু লাইদা পীথি।

[illegible] বিষ্ণুনা কশ্যপকী ভার্যা অদিতিগী গর্ভদা বামন [illegible] মাতুদি [illegible] অহানবা মকম মধ্য এসিয়াবু থাদোক্তুনা [illegible] মাংলোইগী নেতা অমনা মাংথাতুনা লমজিংতুনা [illegible] অহুমদা পোংথাখি। অমসু বিষ্ণু কৌবা [illegible] মতুং ইনা মীসিংগী [illegible] থুয়া উফুনন য়াম্মনখিতুনা তাইবংপানববু কুপসিনখি।" অর্থ অসিবু বেদ[illegible] কৃষ্ণমোহন বন্দোপাধ্যায়না মহাক্কী "Aryan witness" দা য়াম্না বনম্না [illegible]। মহাক্কী মত অসিবু পাশ্চাত্য পণ্ডিত অমাম্না [illegible] হাঙ্গী [illegible] অর্থ পুম্বসি আর্যসাহিত্যনা য়াদে, বেদগী [illegible] তমথুনা ফরকপা অর্থগা তিন্নদ, মরম অসিনা [illegible] হাঙ্গীনা [illegible]। মরম অসিনা ঐথোইনা প্রাচীন ঋষি আচার্যসীংগী মত মতুংইম্না অনুবাদ তৌবগা ভগবান্ কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন বেদব্যাসকনা তৌবা অর্থবু সাক্ষাকনা পাঠকসীংদা উৎচরি।

ওইনা অবতার তৌই। অদুগা ব্রাহ্মন মতাগী মুখি ওইদুনা বলিনা তাইকপাসবা পৃথাগী মপু ওইগ্রবদা বলি নিংথৌদা চৎতুনা মহাক্কী মোকক্ষ অমখনা থাবা চঙবা নম পীম্নু হাপ্পিদুনা নিংমই বলিনা পীগে হায়ে। বামনগী মপক অহুম হিদুনা মখোত্ত মামনা পৃথিবী পুম্বা লেংপ্রবদা, থোং আমদা স্বর্গপুম্বা থংলো লেংপ্রে। থোং অমাগীদি লেংকম লৈত্রবদা বলিগী মকোক্তা লেপ্তুনা বলিবু পাতালদা মমথাখি। মাসুম তৌদুনা তাইবং পুম্বাবু হিংবাবদগী মুক্তনা লাইদা হিঙুনা পী। অসুম তৌ-খ্রোতুনা আর্য সাহিত্যদা তৌভান ২ না হাপ্পি। মখোই পুম্নমক অতুগী তাৎপর্য অম লৌনি। মাদুদা অনৌবা পণ্ডিতসিংনা তাবমা সাবা অর্থ অদুদি অমতা খুদিসীংনা তৌরমদে।

অনৌবাসীংনা ভাবনা শাবা অদুদি যুক্তিদাসু চাদে, মাদু আর্যসিংনা মধ্য এসিয়াদগী ভারততা লাকপদা বিষ্ণু কৌবা নিপা অমনা লমজিংদুনা লাকপদা লাকপা মী অদুনা য়াম্মদুনা মাখোইগী মখোংদগী উকুলনা তাইবং পুম্বা থৎখি, হায়বা অসিদি ওইথোক্কবা য়ানি, করি অমত্তা লৌবা য়াদে। মরম অসিনা মাসিগী চাম্বা তাৎপর্য থংনবাগীদমক ঋষিবাল্মীকিনা রামায়নদা অমসু ঋষিকৃষ্ণ দ্বৈপায়ন ব্যাসদেবনা মহাভারততা তৌবা ব্যাখ্যাবু লৌথৎলি। মাদুদা বেদগী চাম্বা অর্থ উগনি।

মাদুদা বেদগী ইষ্ট পোইন্ট অসিবু ভগবান্ বাল্মীকিনা রামায়ণদা অমসু ভগবান্ কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন বেদব্যাসনা মহাভারততা য়ারিদা পানলদুনা ব্যাখ্যা তৌই। মাদুদগী করি অমতসু অঙকপা য়াওদনা ঐথোইনা উই, মাদুদি অরাং লেটিচুট ২৪ অমসু লোঙ্গিচুট (গ্রিণউইচতগী) ৯৫ সুবা যুক্ত অনিগী করুবা বিন্দুবু বেদগী ইষ্ট পোইন্ট কৌই। অসুম্না তাকই।

(রামায়ণ, কিষ্কিন্ধ্যাকাণ্ডে চত্বারিংশৎসর্গে ৫৪ শ্লোকাঃ)

১। পূর্ব্বস্যাং দিশিনির্ম্মাণং কৃতং তৎ ত্রিদশেশ্বরৈঃ।
ততঃ পরং হেমময়ঃ শ্রীমানুদয় পর্ব্বতঃ॥

২। তস্য কোটির্দিবংস্পৃষ্ট্বা শতযোজনমায়তা।
জাতরূপময়ীদীব্যা বিরাজতি স বেদিকা॥

৩। সালৈস্তালৈস্তমালৈশ্চ কর্ণিকারৈশ্চ পুষ্পিতৈঃ।
জাতরূপময়ৈর্দিব্যৈঃ শোভতে সূর্য্যসন্নিভৈঃ॥

৪। তত্র যোজনবিস্তারমুচ্ছ্রিতং দশ যোজনং।

শৃঙ্গৈঃ সৌমনসং নাম জাতরূপময়ং ধ্রুবং ‖

৫। তত্র পূর্ব্বপদং কৃত্বা পুরাবিষ্ণুঃ ত্রিবিক্রমে।
দ্বিতীয়ং শিখরে মেরোশ্চকার পুরুষোত্তমঃ ‖

৬। উত্তরেণ পরিক্রম্য জম্বুদ্বীপং দিবাকরঃ।
দৃশ্যো ভবতি ভূয়িষ্ঠং শিখরং তমথোচ্ছ্রয়ং ‖

—১দাই অথোইবসীংনা শেম্বা লোংপোকথংবা মাইকৈদা সনাগী মশক ওইবা উদয়পর্ব্বত লৈ। ২ মহাক্কী মতোননা স্বর্গবু শোকই, শাংবনা যোজন চামা শাংই। ফজরবা সনাগী মশক মানবা চীঙ অত্তুনা লৈপুংগা লোইননা ঙান-থোইরি। ৩ চীঙ অত্তুদা সাল, তাল, তমাল অমসু কর্ণিকার, ফজবা পাম্বী সিংনা মপান শাত্তুনা সনাগী মশককুম নিংথিজত্তুনা সুমিৎকুম্না ঙান্দুনা হৌই। ৪ উদয় পর্ব্বত অত্তুদা সৌমনস কৌবা সনাগী মশক ওইবা মকম অমা লৈ, মহাক্কি যোজন অমা শাংই তরা রাংই। ৫ উদয় পর্ব্বত অসিদা থাইনা মমাংঙৈদা বিষ্ণুনা খোঙথাং অত্তুমনা কান্দুন' চংঙৈদা অহানবা খোঙথাঙনা উদয়পর্ব্বতা অনিসুবা খোঙনা মেরু চীঙগী মতোন্দা নেংলি। ৬ সুমিৎনা ভারতবর্ষবু অরাংলোমদা কোইবা লোইরগা সৌমনসগী রাংলবা অমসু চংখোনলবা মতোনদা উগদবা ওই।

সমীক্ষা,— উত্তরায়ণ লোইবা সুমিৎতা সুমিৎপু চীঙদোন অসিদা উই, হাঙৈবাসিনা তাকলে, ট্রোপিক ওফ কেনসরনা চীঙ অত্তুগী মতোনদা তাই হাঙৈবনি। অত্তুনদি ময়েকনা ভারে বৈদিক সিদ্ধান্তদা উত্তর অক্ষরেখা ২৪নি।

৭। তত্র বৈখানসা নাম বালিখিল্যামহর্ষয়ঃ।
প্রকাশমানাদৃশ্যন্তে সূর্য্যবর্ণাস্তপস্বিনঃ ‖

৮। অয়ং সুদর্শনোদ্বীপঃ পুরো যস্য প্রকাশতে।
তস্মিংস্তেজশ্চ চক্ষুশ্চ সর্ব্বপ্রাণভৃতামপি ‖

৭। মকম অত্তুদা বালিখিল্য কৌবা মহর্ষি লম্বোইবাসীংনা তপস্যা তৌত্তুনা লৈবাবু সুমিৎকী মঙানগুম্না উই।

৮। চীঙ অসিগী মমাঙ্গা ভারতবর্ষ* অসিনা লৈ, চীঙ অত্তুদা মঙাননা অমসু থয়াইপাননা পুম্নাগী মীৎশ্রু লৈ।

* ভারতবর্ষবু জম্বুদ্বীপ হাঙৈরগা থংলৈ। "বশিষ্ঠ মহর্ষির্সচিতে গ্রন্থে জম্বুদ্বীপে চ ভারতং।" অদুম্না হায়ড়িনা হাই। মহাকপু কোইরক কোই অমসু থাদা মাইরিংঙম্না মমি তাই হাইত্তুনা সুদর্শনদু কৌই। (মহাত্মা ভগবদ্দানঃ)

সমীক্ষা,— মাসিনা তাকলে, মফম অসিনা ভারতকী অরোইবা মতোননি অতু ওইরবদি গ্রীণউইচতগী ডিগ্রি ৯৫ রা নি, অতুনাদি মথক্কী অক্ষরেখা অর্রাং ২৪ গা দ্রাঘিমা ৯৫ গা বৃত্ত অনিগী করুবা বিন্দুনা বেদগী নোংপোক্কী বিন্দুনি। অসিগুম্বা বিন্দু অসিনা উদয় পর্ব্বততা লৈ।

৯। শৈলস্থ তস্থ পৃষ্ঠেষু কন্দরেষু বনেষু চ।
রাবণঃ সহ বৈদেহ্যামার্গিতব্যস্ততস্ততঃ ॥

১০। কাঞ্চনস্থ শৈলস্থ সূর্য্যস্থ চ মহাত্মনঃ।
আবিষ্টা তেজসা সন্ধ্যা পূর্ব্বারক্তা প্রকাশতে ॥

১১। পূর্ব্বমেতৎ কৃতদ্বারং পৃথিব্যা ভুবনস্থ চ।
সূর্য্যস্থোদয়নঞ্চৈব পূর্ব্বা হ্যেষা দিগুচ্যতে ॥

৯। উদয় পর্ব্বত কোবা চীং অসিগী [illegible], লোকল্লুপা [illegible] বননা মফম ২ দা সীতাগা লোইনবা রাবনবু থিগদবনি। ১০। [illegible] মানবা চিং অসিগী, মহাত্মা সূর্য গীসু মঙাল্লা মরম ওইদুনা অয়ুক নোংচাল্লকপা সন্ধ্যাদা [illegible] উরিবনি। ১১। পৃথিবীগা ভুবনগসু [illegible] নুমিৎনা অহানবা থোকই, হাঙ্গৈদুনা মাবু পূর্ব্বদিক কৌই।

সমীক্ষা.— পৃথিবীগী ভুবনগী থোংনা উদয়পর্ব্বত [illegible] অসিনা পিতৃযান্ অমসু দেবযানগী অহানবা কোনথোংনি. হাঙ্গৈবনি। [illegible] মাসিদা অহানবা থোকপনগী পূর্ব্বদিক্ কৌই, হাঙ্গৈবসিনা বেদগী প্রত্নোকস্নি হাঙ্গৈনা তাকপনি। মাদুনি, ভগবান্ কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাসনা মহাভারততা ভগবান্ পর্ব্বদা গালব চরিত্রদা গরুড়না গালব ব্রাহ্মণদা পূর্ব্বদিগবর্ণনা তৌবদা অধ্যায় ১০০ দা হায়ি। মাদুদি,—

যস্থামুদয়তে পূর্ব্বং সর্ব্বলোকপ্রভাবনঃ।
সবিতা যত্র সন্ধ্যায়াং সাধ্যানাং বর্ত্ততে তপঃ ॥
যস্থাং পূর্ব্বং মতির্যাতা যয়া ব্যাপ্তমিদং জগৎ।
চক্ষুষী যত্র ধর্ম্মস্থ যন্ত্র বৈ সুপ্রতিষ্ঠিতে ॥
হুতং যতোমখেহব্যং সর্পতে সর্ব্বতোদিশং।
এতদ্বারং দ্বিজশ্রেষ্ঠ দিবসস্থ তথাধ্বনঃ ॥
অত্র পূর্ব্বং প্রসূতা বৈ দক্ষায়ণ্যঃ প্রজাঃ স্ত্রিয়ঃ।

অস্যাং দিশিপ্রবৃদ্ধাশ্চ কশ্যপস্যাত্মসম্ভবাঃ ॥
অতো মূলং সুরাণাং শ্রীর্যত্রশক্রোঽভিষিচ্যতে।
সুররাজ্যেন বিপ্রর্ষে দেবৈশ্চাত্র তপশ্চিতং ॥
এতস্মাৎ কারণাৎ ব্রহ্মন্ পূর্ব্বেত্যেষাদিগুচ্যতে।
যস্মাং পূর্ব্বতরে কালে পূর্ব্বমেবাবৃতাসুরৈঃ ॥
অত এবচ পূর্ব্বেষাং পূর্ব্বামাশাং প্রচক্ষ্যতে।
পূর্ব্বং সর্ব্বাণি কার্যাণি দেবানাং সুখমীপ্সতা ॥
তত্র বেদান্ জগৌ পূর্ব্বং ভগবান্ লোকভাবনঃ।
অত্রৈবোক্তা সবিত্রাসীৎ সাবিত্রী ব্রহ্মবাদীষু ॥
অত্র দত্তানি সূর্যেণ যজূংসি দ্বিজসত্তম।
অত্র লব্ধবরঃ সোমঃ সুরৈঃ ক্রতুষুপীয়তে ॥
অত্রতৃপ্তাহুতভুক্ স্বাং যোনিমুপভুঞ্জতে।
অত্র পাতালমাশ্রিত্য বরুণঃ শ্রিয়মাপ চ ॥
অত্র পূর্ব্বং বশিষ্ঠস্য পৌরাণস্য দ্বিজর্ষভ।
সূতিশ্চৈব প্রতিষ্ঠা চ নিধনঞ্চ প্রকাশতে ॥
ওঙ্কারস্যাত্রগীয়ন্তে স্হতয়ো দশতীর্দশ।
পিবন্তি মুনয়ো যত্র হবির্ধূমং চ ধূমপাঃ ॥
প্রোক্ষিতা যত্র বহবো বরাহাদ্যা মৃগা বনে।
শক্রেণ যজ্ঞভাগার্থে দৈবতেষু প্রকল্পিতাঃ ॥
অত্রাহিতাঃ কৃতঘ্নাশ্চ মনুষ্যাশ্চাসুরাশ্চ যে।
উদয়ং স্তান্ হি সর্ব্বান্ ক্রোধাক্রান্তি বিভাবসুঃ ॥
এতদ্বারং ত্রিলোকস্য স্বর্গস্য চ সুখস্য চ।
এষ পূর্ব্বদিশাংভাগো বিশাবোঽত্র যদীচ্ছসি ॥

তাইবংপানবা পুম্বু মানা পোকহনবা কুমিৎনা নোংপোক মাইকৈদা ইহান হান্না খোকই, নোংপোক অদুদা অয়ুক্কী সন্ধ্যাদা সাধ্যসী গী তপস্যানা লৈ। মাইকৈ অসোমদা আনন্না অহানবদা পোকই, অদুগী মতুংদা মানা তাইবংপুন্দা সীনখুৎনা লৈ-

থি। মফম অতুদ ধর্ম্মগী মীং অনিনা গোকতুনা ঙানলি। মফম অতুগা যজ্ঞবু অহান বদা তৌই, কোন্না মফম অতদ গন্দেবই, হে ব্রাহ্মণ অথোইবা। মাসিনা নোংমগী অমদি দেবযান, পিতৃযানগী কেনথংনি। মফম অসিদা অহানবদা দক্ষগী মচানুপী ব্রাকা অনুমতি চংইনা পেরই। মদোমদা বশুংকী মপা নাইগীংন পোকই। অমস্থু চাওবা। মরুন অসিদগী মফম অসিনা লাইগীংগী হৌফমন অমস্থু নিংথিবনা ওই, ইন্দ্রবু লাইগী নিংথৌ ওইবগী অভিষেক তৌই। লাম্পুনা তপস্যা তেরমই। মফম অসিদগী হে ব্রাহ্মণ লাইবক অসিগী পূর্ব্বদিক্ কোই, মফম অদুদগী অহানবদা নমাঙৈদা লাইসীংনা লৈবমই। মরুন অসিদগীসু অহানবা পুষ্কগী মানা হানবা মাইকৈ কোই। অমদি মাইফাওবগী অকুবা থবক তৌরবানা মাঙ্গাদা ওন্দুবা তৌই। মফম অসিদা তাইংপাকপা ব্রহ্মান ফমনা মচিন মরুংগী বেদ মরিবু শক্থি। মফম অসিদা ব্রহ্মানা মাখংদগী ঋষিগণনা গয়শ্রীবু তম্বিখি। মফম অসিদা নুমিংনা যাজ্ঞবল্ক্যনা শুক্লযজুর্বেদ পাখি। মফম অসিদা সেমলতাবু মহী শেমজনা লাইনা ইহান হন্না থকখ। মফম অসিদা মৈ কোবা লই। যজ্ঞনা হব্যবু চামন্দূনা ঈসাং থক্থ মফম অসিদা বরুণনা মাগী সম্পত্তি ফংনে লৈমুংবা লৈখি। মফ। অসিদা পুরাণ ঋষিশিংনা মংগু হকচাংবু থাদনকখি, মাংদবা চকাংস্থু ফংখি মফম অসিদা বেনা মহাক্কী মথং লাঁসিং চানা থোকনা থাইবাকনি।

মৈথুংবা মুনিসিংন মফম অসিদা হব্যময়াম চাখি। মফম অসিদা ইন্দ্রনা লাইগীদমক যজ্ঞ তৌনবা অশ্বেনা লংকে, সজি মথং মসু লৈংনখি। 'মফম অসিনা হৌজিক্কি তৌবিমল থংদবা মী থিংগাবা মমং লৈবে। মাখোই পুন্নমক 'অতুবু নুমিৎনা সাওজুনা স্তুতিগী থোকংন মাহননি মরোম অতুমগী স্বর্গগী অমস্থু নুঙাইবগীস্থ মাসিনা থোংনি। মাসিনা মাইকপুষ্বগী অহানবনি। নংন মসেমদা চৎনিংলবদি ঐথোইঅনি চৎসি ইতি

সমীক্ষা,— মথক্তা লৌখৎখ্রবা রামায়ণগী অমস্থু মহাভারতকী বর্ণনাদা উরে। মাতুদি নুমিৎকী অহানবা থোকফম রেদগী নোংপোক কোবা মফম অসিনা দেবযান অমস্থু পিতৃযান কৌবা লম্বেনগী থেংনি হাঙৈ। মাতুগী তাৎপর্যদি, লম্বেন অনিসিবু উপনিষৎতা শ্রুতি খিবিকনা য়াম্না সন্দোকনা হাঙৈ। পুন্নামক অতুবু কৃষ্ণ দ্বৈপ য়ন বেদব্যাসনা ব্রহ্ম-সূত্রদা মরিস্থুগীঅধ্যাদা মরিস্থুবা পাদদা খোমজিনহনা সুত্রদা লেংই। মাতুদগী থংবা ওমই। দেবযান, পিতৃযান কৌবা লম্বেন অসিদি আধ্যাত্মিকার্থদা সুষুম্না মড়িদু

লৈ। আধি ভৌতিকার্থদা পৃথিবীপুম্বগী সুর্য্যাদি বিষুব বৃত্তনি। মাস্তুম তৌদুনা সমুদ্রনা ফনেক ওইনবী ভাৰত মাতা অসিগী মখাথংবা সীমানা নিংক্ষ স্থাননি। অক্ষরেখা শূন্য ওইবা মফমদগী ভাৰতকী খা থংবা সমুদ্রনা হৌবকই। অৱাংগী ওমথৈনা হিমালয়চীঙশাংনি। ময়াদা ট্রোপিক ওফ কেনসৰনা চপচানা খাইদোকই। মৰম অসিদগী ট্রোপিক ওফ কেন-সৰনা ভাৰত মাতাগী সুষুম্না মড়ি ওই। মডি অসিগী মপাদা নোংচুপ-তগী হৌদুনা মথং ২ সিন্ধু লৈপাক, বিন্ধ্যচীঙশাং, বঙ্গোপ সাগৰগী অৱাং থংবা মপান, গঙ্গা সাগৰ সঙ্গম অমসু নোংপোক ইথং থংবদা মণিপুৰ লৈ। মৰম অসিদগী যেগীনা শিবদি মথং লোনদা চৎপা হৌনাবনা লে-টিচুট ২৪ না খুদম ওইবা ট্রোপিক ওফ কেনসৰগী মশক ওইবা ভাৰত মাতাগী সুষুম্না বু দেৱযান, পিতৃযানগী কোনথে নি হাঙ্গবনি। মৰম অদুনা হাঙ্গী (এতদদ্বারং দ্বিজশ্রেষ্ঠ দিবাস্য তথধ্বং)। মাসিগী মৰম পুম্বা মুন্না খংনবা গীবমক উপনিৎ পুম্বা নিথিন অসেন তেগৎবনি। *

অমসু বেদগী নোংপোক্কী বিন্দুনা ভাৰতকী অৰোইবা চীঙ-শাং অসিনা লম অদুবু পুকমগক্তা লৈদগী চক্রে সানা কাই সিনবা-গুম্না সন্সের ২ কোক্সিননি। অদুনা পুৰানদা ষট চক্রগী অহুমসুবা মণিপুৰ চক্রনা লৈবাগুম্না সিন্নোল লৈ। মফম অদুনা সি লেভেলদগী ফীট ২৫০০ ৱাংই। মৰম অদিগী লম অসিবু "যেনলিঙ্গেন যোদেশোযুক্তঃ সমুপলক্ষ্যতে। তেনৈবনাম্নাংদেশং ব চান্য নির্দিশঃ॥" লৈপাক অদুদা লৈব খুদমনা লম অদুগী মমিং ওইনা পঙ্গিংসীনা কৌনৈ, অসুম্না হাঙ্গবা রাএন লৈবদগী বেদ ব্যাসনা মণিপুৰগী সিন্নাল লৈ হাঙ্গদুনা লম অদুবু মাণপূৰ হাঙ্গনা থেনলি (মহাভাৰত, আদি, অধ্যায় ২১৭ দগীনা ১১৭ ফাউবা পাবিযু)। মাদুদা হাঙ্গী, মাদুদি,— অর্জ্জুননা হিমালয়গী নাকনদা লৈবা হিৰণ্য বিন্দুদগী (বেদগী) নোংপোক কৌ। চৎকে নিংদুনা মখারোমদা কুমথকই, কানপুৰেমদা লাক্লগা কলিঙ্গ তমনা চৎলি, মাদুদগী সমুদ্র

---

* মাসিগী বৈজ্ঞানিক ব্যাখ্যাসি ঐথোই। শ্রীভাগবততা দ্বিতীয় স্কন্ধদা এংবিযু অমসু ভগবদ্গীতাদা এংবিগনি।

তমনা চৎলি, পূর্ব্বঘাত শৈলমাংগা উরগা সমুদ্র মপান তমনা চত্তুনা তপনা থিন্না মণিপুর য়ৌই। মাস্তুমনা অমোবস্তু মণিপুরবু নোংপোকনি থংনবা অশ্বমেধগী সগোনগা লো নাহুনা অর্জ্জুননা মণিপুরদগী হস্তিনা তান্না লাকপদা লমথাংদা জরাসন্ধগী কোন্নুংদা থুংই। মাস্তুমতৌহুনা মণিপুর অহুবু ভারতকী নোংপোক্কী লমথৈদা লৈবনি, হাঙ্গনা তাকই। মাসিগী মরমদা খজিক্তং সন্দোক্না হাঙ্গনবগীদমক রফমসিবু অমেকহন্না মথাদা ইরি,—

পাণ্ডব মচাগী ময়াম্বা অহনবু যুধিষ্ঠির কৌই। মরমদি মাগী মপোক অসিদা কৌরবকা সোইদনা লান অমোক্তং শোকনগনি, চাঙ্গহুনা মপুক্তা লেপতুনা লৈথ্রবা হাঙ্গবনি। লান অতদা করম তৌরগা ভমগদগে হাঙ্গনা চমিংচুপপা রাথন পোথিতা তৌহুনতা লৈ, মাতদা মাহাক্কী বুদ্ধিনা অসোইবা অমত্তা পাওদে। মরম অসিদগী যুধিষ্ঠিরবু ধর্ম্মরাজস্থ কৌই। (বনপর্ব্ব) *। পাণ্ডব মচাবু মমানা তাকই, নথোই মচা ভাহাক্তস্থ থাদোক্লগস্তু, এক্লবনা হাৎথিগনি। নোংমদি থুৎলাই তম্বা হল্লকপদা ভীমনা তোভান্না মমুমদা হল্লকই। লঙ্খেনদা চামনা মড়ৌ তৌহুনা হু পীজহুনা হাৎই ঈশিংদা থাদথি। ভীমনা হু চুপথোকপিহুনা ভীম হিংগৎলকলে। মমুমদা হল্লকই। মাতদগীদি মাথোই মচা করিমত্তা থাদোকনথিদ'র। ধৃতরাষ্ট্রনা পম্বা ভমত্রতনা বারনাবতদা তেঙাংনা লৈহনলে চাগী য়ুম শাহুনা মমাগা লোইননা মচাবু লৈহনলি। পুন্না মৈ থাহুনা হাংনবা থৌরাং তৌরে থংহুনা বিদুরগী উপায়না লৈথুন হুৎতুনা চেনকম লেমই। পুরোচননা (গ্রীক্কী মীনি) অহিংদা চা সং মৈথারে, মমা পুহুনা পাণ্ডবনা লৈথুনদা চেনথি। ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডববু মমাগা লোইননা সিরে নিংই। শ্রাদ্ধ লোনথ্রে।

---

* ভাষাবিজ্ঞান,— মৈতৈগা বাহেগী মথক্তা লৈবা অরুপ্পা মরকনা অয়াংবা, মরক্তা লৈবা অয়াংবনা অরুপা ওনলি। ধর্ম্ম—থবক। ধর্ম্মগা কর্ম্মগা অর্থ অমতনি। অফবা থবকপু খোগরুটিনা ধর্ম্ম কোই। বনদা ভীমনা মুমিৎচুপপা লান তৌরসিতা হাঙ্গর বাদা যুধিষ্ঠিরনা থনলি ঐদি ধর্ম্মগী সূক্ষ্ম বিচার থংই। হুজিক লান তৌরবদি সোইদনা মাইথিগনি, হাঙ্গবা থংলগা ঐনা করম্না পাপ (কত্তবা থবক) অহু তৌগদগে? অসুন্না থল্লি। ভাষাবিজ্ঞান—কাইলোলোজি হৈতবনা চোইরোল লোনলি মাদুদি,— হিন্দী, বাঙ্গলা, আসামীনচি বা আর্যভাষা পুম্বনা কৃধাতুবু সিজনৈ। মৈতৈনা "তৌ" ধাতু সিজনৈ তৌবদি অনার্যভাষাগী ধাতুনি অসিনি। আর্যভাষাদা কৃ—ধ নি, মতনা কর্ম—ধর্ম। ধ ধাতুবু ইংরেজিনা "ড" হাঙ্গ। মথক্তা হাঙ্গথ্রবা মৈতৈ ব্যাকরণনা "তৌ" হাঙ্গ।

পাণ্ডবনা ব্রাহ্মণ মচা সাদুনা পঞ্চালদেশকী ব্রাহ্মণগী খুল অমদা লোৎলি। মাদুদা উপনিষৎ পুথী তমই। দ্রৌপদীগী স্বয়ম্বরদা অর্জ্জুননা লক্ষ্য ককতুনা দ্রৌপদী ফংলে। পাণ্ডব মঙানা দ্রৌপদী পুদুনা ব্রাহ্মণগী ময়ুমদা হল্লকই। মচা মঙানা মতু থিরবদি পুকনিং হিল্লরকলরোই থংলে মমানা হাঈ, নথোই মঙা চপ মান্নবা এননতুনা চাও হাঈরে। ধর্ম্ম নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা মমাগী য়াথং থংতুনা য়ারে। নোঙাল্লগা পঞ্চালরাজ সভাদা যুধিষ্ঠিরনা দ্রৌপদীবু মমাগী য়াথংনা মাথোই মঙামকনা লৌগনি হাঈবা তাবদা দ্রুপদনা ঙকলে। মাঙে মনাওমুপীবু মতৌনা করমনা পান্নগদৌরিবনো হাঈদুনা থঙ্‌বদা মী পুম্নমক মতু চুংথরে। দ্রুপদ নিংথৌনা হাঈ যুধিষ্ঠির নিংথৌ! করিনো? ঐ য়াম্না ঙকলে, শাস্ত্রনসু য়াদবা, ইথুাইনাসু চৎনদবা, মুপী অমাবু নিপা মঙানা লৌগনি, হাঈবাবু নংগুম্বা ধর্ম্মগী নিংথৌনা থনবা করিননো? যুধিষ্ঠিরনা খুমই, মহারাজ! ধর্ম্মদি য়াম্না কুপথুবানি, মাবু কনা অমত্তনা থংবা ঙমদে। ঐথোইগীদি ইমানা ধর্ম্মনি; ইমাগী য়াথং অসিবু হিকত্তোকপা য়াদে মুপী অমাবু নিপা মঙায়াম্না লৌবগী চৎনরকপবু ঙাক্কনি, অসি হাঈরে! মতম অতুদা বেদব্যাস লাক্লে। ব্যাস দেবনা দ্রুপদদা যুধিষ্ঠিরগী বা অসি য়ারে। দ্রুপদদা ব্যাসদেবনা তাকতুনা পাণ্ডব মঙানা দ্রৌপদীবু মথং মথং ওইনা লূহোংলে। পাউ অসি ধৃতরাষ্ট্রনা তারে। য়াম্না কিরে, পঞ্চালদি কুরুগী এক্রুবনি, মাদুদা পাণ্ডবনা পঞ্চালদা তোংথুবদি, কুরুনা লৈপাক ঙাকপা ঙম্মরোই, হাঈনা বুদ্ধিনা মীৎওইবা নিংথৌ মীৎতাংবনা কিরে। ইচাসীংবু শিথ্রমাম্লে হাঈবাবু হিংলম্বা মুঙাইরে, হাঈনা কপসিন্নরে। বিদুরবু পঞ্চালদা চৎহন্দুনা পাণ্ডবকা কৌরবকা সন্ধি তৌনা হস্তিনাগা চপমান্নবা লৈপাক এয়াতুনা পাণ্ডব মঙাবু ইন্দ্রপ্রস্থদা নিংথৌ ওইতুনা পালহনখি। যুধিষ্ঠিরনা মুংশাথিবে। কুরুনা মতম অসিদা লান হৌরকলবদি ঐথোইনা পাবা ঙমখিরোই হাঈবা যুধিষ্ঠিরনা থংই, ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ অমসু কর্ণগা পাবা য়াখিরোই। লনসু, মীচংসু কুরুগা পাবা ঙমলোই, থংতুনা মঙানা দ্রৌপদীগী মরমদা লেপনাথিবা কাইবাগী ব্রহ্মচারী ওইতুনা বনদা চৎলে, হাঈনা পাউথোংতুনা অর্জ্জুননা শক্তি তানবা অমসু থৃৎলাইতম্বা চৎলি। মাদু নত্রবদি ফোংনা চৎলবদি, কুরুনা থৌরাং তৌখিগনি, হাঈতুনা পাণ্ডবনা কূটনীতি তৌবে।

অর্জ্জুননা অহানবদা যোগ সাবনা তৌতুনা হকচাং মন্নুংদা লৈবা গঙ্গা দ্বারদা লৈবা কুল কুণ্ডলিনী মহাশক্তিবু হৌদোকই। মাদু সিদ্ধ ওইরে। অদুগী

মথংদা পুকস্নুংদা খোইদৌগী মপাদা লৈবা অহুমস্নুবা চত্র মণিপূরবু প্রাণায়াম ওমহুনা হৌদোকই। মাহুগী মতুং ইন্না চিত্রা মড়ীবু ওমহুনা সিদ্ধ ওই। মণিপূর চক্রবু সিদ্ধ ওইরবদা অর্জ্জুননা সিনিংদবিবা মখৈ সিদবা, মানা ওমগে নিংববু ওমদবা লৈতবা, চংদবাগী অরাম্বা খোবাংবা অরাবা লৈতবা, অমস্নু নুংসাম্বর থিংহুনা লৈংবস্নু সিদবা ওমই। মাহুগী মতুংদা দ্বারকাদা অর্জ্জুননা চৎতুনা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনাহুনা খুৎলাইতম্বা, ফিজেৎ হোংদোক্তুনা চৎলি। শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুননা খাণ্ডব লৈবাক্তা খুৎলাই পুম্বা তমলে রথ থৌবা, শাবা, খুৎলাই মখন ময়াম কাপপা, পুমনমক হৈবে। মাহুদা শ্রীকৃষ্ণগী দোলায গরুড়ধ্বজ, সাঙ্গ লিরুং স্নদর্শন চক্র পাঞ্চজন্য কৌস্তুভ মনি, অসিনাচিংবা ফংই। অর্জ্জুননা কপিধ্বজ দোলায়, গাণ্ডীব, দেবদত্ত, ময়েং তাদবা তেন্দোং অসিনাচিংবা ফংই। অর্জ্জুনগী য়েংও একপা রথ অসিদি শ্রীকৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা নত্রবদি অতৈ অমনা থৌবা ওমদে। অহুনা লান্দা অর্জ্জুনগী শ্রীকৃষ্ণন দোলায় থৌই। মতন অহুদা খুৎলাই শাবা অমস্নু সিজন্নবা হৈবদা লৈপাক অহুনা ইথেন হেনলি। শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুননা খংই, মাখোই অসি লৈংবদি বুরুগা লান শোক্রবা য়ারোই। অহুনা লৈপাক অহুগী নিংথৌনা কুরুক্ষেত্রদা তীর্থ চংখরিণ্ডেদা লৈপাক অহুবু লোইনবা শ্রীকৃষ্ণার্জ্জুননা হংতোবলে, খুংস্নু খুৎলাই পুম্বা অপাম্বা মখৈ লৌরগা অতৈ পুম্বাদি লোইনা নৈ থাদোকই। মাহুগী লমন খুম্বাদগী অর্জ্জুনগী মছু পরীক্ষিৎপু তক্ষকন হাৎলি। অর্জ্জুনবুস্নু কৌরব্যালিননা মচান্নুপীদা ইনসিন্দুনা বভ্রুবাহনগা খৎনাহনখি, মাহুদা অর্জ্জুননা হ্রানথরুই। * অমস্নু লৈপাক অহুমা তুম্নবা হাংতোক্রগা ময়কৈবা নিপা

---

* অর্জুনবু বভ্রুবাহননা মঙক ককহুনা হাৎলি, অম্বয়া মহাভারততা হাঙ্গিদে। মচাগা লান শোক্রবদা অর্জুননা মপাবু স্নংসিহুনা অকনবা খুৎলাইনা মচাবু থাদে। অমস্নু মচানদি থংদহুনা অকনবা খুৎলাইনা থাই. মাহুদা মপানা মচাবু বয়া কল্লনগে? এংহুনা মশাদা ৎ হনবা মপ শবপা মপু ভীষ্মবু হাংপগী অপরাধনা অর্জুনগী সিনিংত্রগা সিদবা যেগনিহ্ন অহ মংখিহ্ন। বাস্থবনি। মাহুনা গঙ্গনা শিগদনদগী মণিন শেক্তুনা পুকস্নুহুনা হিংগৎহনখনি। বভ্রুবাহননা অর্জুনবু মঙক ককই পাতালদগী মণি লৌকরগা মঙকস্নু মাংথ্রনদগী মচান পিরুহুন শমজিনহুনা হিংহনলি. অসিনচিংব হাঙ্গিবদি মহাভারত নভ্ভা কুষ্টদরিবা খৃষ্টগী এ, ডী. চামণ্ডা মতুংদা লেংবা বারি (গাথা) নি।

অম বুদি ফাহুনা পুরকই, মহাকপু ইন্দ্রপ্রস্থদা অঙকপা সভা অমা সাহনলি, মাহুদা এরুবা দুর্যোধনবু ঈসিংগা কংফানগা ওন্ননা ঊবা সভা সাহনলি। শ্রীকৃষ্ণার্জ্জুনগী যড়ো অসিবু কুরুনা খংলহুনা দুর্যোধননা শ্রীকৃষ্ণার্জ্জুন-গীতুংদা বলদেবগী মচানুপী লৌই। অমসু ভীম হ্ৎনবা গদাবাগ্ বলদেব-দগী তম্লমই। হল্লকগা শ্রীকৃষ্ণর্জ্জুন তান্নাহুনা যহু শ.গৈবু কুরুগী লানদা য়াওদনবা হাঈহুনা অর্জ্জুনবু শ্রীকৃষ্ণনা ইনগিন্দুনা বলদেবগী মচন সুভদ্রাবু ফাহুনা চেনহনলি, মহুদা অভিমন্যু পোকই। অহুগা অর্জ্জুননা দিগ্বিজয় তৌহুনা রাজসূয় যজ্ঞ তৌই।

মাহুদা লৈপাক পুম্বা ভমংনা যুধিষ্ঠিরনা সম্রাট ওই। লৌসিংনা মীৎ ওইবা ধৃতরা ষ্ট্রনা কূটনীতি তৌহুনা যুধিষ্ঠিরনা লৈপাক লোংরুবী চৌবড় শান্নসি হাঈনা লানহৌ-রে। মাহুদা পাণ্ডবনা চেনবা য়াদে, মরম দ মমান্নবনা হৌরকপদা চেল্লবদি মরৈপাক তুমগদবনি, মরৈপাক ভাক্ত বদি নিংথৌদি নরক তগদবনি। থুংলাইনা শোকুরবদি মী সিগনি, মহৈগী চাং এংনহুনা থবাই মাংদবা লান তৌসি হৌবনি, থঙ্গেশে বা লান নি। যুধিষ্ঠিরবু লাও সান্নসি তৌই, অহু ওইরবদি চৌবরদা যুধিষ্ঠিরনা পোরবদি লানগী হৌনবী মরৈপাক অমোক হন্দোকপা য়াদে। যুধিষ্ঠিরগী ময়ুমদা সান্নরবদি, পোর-রসু পোনথা অত অমোক হন্দোকপা য়াই। মরম অসিনা দুর্যধননা ভমলে, লৈপাক লৌথরে। চহি ১২ বন চৎপা চহি অমা লোংপা ভংনহুনা মতানা বন চৎখি। পাণ্ডব না নিংথৌ ওইদরে, মাখোইনা ফাহুনা সিজননবা, মরন মুনবা লোয় পুম্বনা এরুম্বা ওনথরে। তাইবংদা পাণ্ডবকী মীচং লৈতরে। মতম অহুদা শক্তি অমোক তানসিন-দবা য়াদরে। যুধিষ্ঠিরনা প্রতিস্মৃতি কৌবা বিদ্যাবু ব্যাসদগী দীক্ষা তৌই। অহুগা অর্জ্জুংদা যুধিষ্ঠিরনা দীক্ষা পী। অহুগী তুংদা মণিপুর চক্র ভমলবা অর্জ্জুননা কোক্তা থোপ্তা লৈবা সহস্রার কৌবা চক্রবু সাধনা তৌহুনা হৌদোকই। মাহুগী মহৈল্লা লাইপক্তা মীৎ অনিগী ময়াই ওইনা মনুংদা লৈবা দিব্য চক্ষুংবু পাঙথোকই। মা-হুদগী অর্জ্জুননা দিব্য বিদ্যাপুম্বা লোইনা উই। তাইবংমীওইবনা মাগী লাইপকতা মনুংদা লৈবা অহুমসুবা মীৎ অসি পাংদরিবমথ বিদ্যাহৈবা হোংদে। মাহুবু পাংলোক নবগীদমক বিদ্যাবু অভ্যাস তৌবনি। মানা মীৎ অহু পাংবগী অরাৎ অহেনগী মতুং ইন্না মীওইবনা বিদ্যাবু অরাৎ অহেন নাইনা হৈ। অর্জ্জুননা মীৎ অত চান্ননা পাংল-বদা বিদ্যাপুম্বা লোম্ননা হৈরে। অহুগী তুংদা ওরাহমদোইসুবা চহিবু চুপ্পনা বিরাটতা লোৎলগা পাণ্ডবনা থোরকহুনা কুরুক্ষেত্রদা লান শোক্লে, লান অহুদা মাখোইনা জয়

ওইখি। হাঙ্গৈগ্রবা বাক্ষম অসিদা পান্দুনা ব্যাস দেবনা তাইবংপানবদা মাগুম্বা অনি স্নদবা ভারত কৌবা লাইরিকপু লেংবনি। হাঙ্গৈগ্রবা বাক্ষম অসিনা মহাভারতকী মস্নুং দা লৈবা তাৎপর্যনি। মহাভারতনা হাঙ্গৈ, অর্জ্জুননা হকচাংগা লৈবা ষট্ চক্রবু হৌ দোকতুনা মহাক্কী শক্তি ফংনবগীদমক সাধনা তৌবদা ময়ুমদা লৈতুনা অমসুং করিং গুম্বা বন অমদা চৎতুনা তৌ.দ। পৃথিবীদা লৈবা খুদম সিম্বোলগী মশক ওইবা গঙ্গা দ্বার মণিপুর অমসু সহস্রার ইন্দ্রকিলদা চৎতুনা সাধনা তৌই, অদুগা মক্ষম ২ অদুবু ভমদুনা সিদ্ধ ফংই।

যোগদা অহানবদা কুলকুণ্ডলিনী মহাশক্তি (Ganglia impar) বু লিনগী মশক ওইনা তুমদুনা লৈবদগী হৌদোক্কদবনি (লেংওৎহনগদবনি)। মহাক্তি লব্রাইনেম্ফুদা থোপতগীনা য়াংলেন তিংদা চত্তুনা গুহ্যনে লিঙ্গনে অনিগী মরক্তা লৈবা মূলাধার কৌবা মফমদা লৈবা সুষুম্না কৌবা মড়ীনি। ব্রহ্মনা মহি ওইতুনা লব্রাইনেমফুদগীনা সুষুম্না মরিদা মূলাধার ফাওবা চেনথারক্তুনা মফম অদুদা লৈবা শিবগী কোক্তা তারুই, মাদুবু গঙ্গা কৌই। গঙ্গানা শিবগী মথক্তা মূলাধারদা তারুবা মফম অদুবু গঙ্গা দ্বার (গঙ্গাগী অহানবা থোরকপা থোং) কৌই। গঙ্গানা মফম অদুদগী মথকলোমদা চৎখিদুনা কোকতা থোপতা তিল্লুই, অসুম তৌদুনা গঙ্গানা হকচাং পুম্বা চেনদুনা লৈ। গঙ্গাদ্বারদা গঙ্গা মস্নুংদা লুপতুনা লৈবী কুলকুণ্ডলিনীবু অর্জ্জুনন হৌদোকই। মাদুগী সাধনা তৌবদা মপানদা পৃথিবীদা লৈবা গঙ্গাদ্বারদা চত্তুনা সাধনা তৌই। মহাভারতনা হাঙ্গৈ, অর্জ্জুননা তীর্থ চৎপদা অহানবদা গঙ্গাদ্বারদা চৎলি। মাদুদা আশ্রম শেমদুনা লৈ। গঙ্গাদা স্নান তৌবদা উলুপী লিন নিঙোননা ঈসিং মস্নুংদা অর্জ্জুনবু ফাদুনা পুখি। অর্জ্জুননা উলুপীবু লৌই। মাঙোন্দা ঈ রাবান্ কৌবা মচা নিপা অমা পোকই। মাসুম্না মহাভারতদা হাঙ্গৈদুনা আধ্যাত্মিকতা হকচাং মস্নুংদা তৌরিবা অদুগা আধিভৌতিকতা পৃথিবীদা তাইবংদা তৌবা অদুগা চপমান্নে। মাখোই অনিসি করি অমত্তা খেন্নাদে, চপ মান্নে, অমনা আধ্যাত্মিকনি, অমনা আধিভৌতিকনি, হাঙ্গৈবতনি, মশা অমতনি। মাসুমতৌদুনা অর্জ্জুন মণিপুর চক্রবু জয় তৌই' মাদুদা তুমদুনা লৈবা চিত্রা কৌবী মণিবু হৌদোকই। এখোইগী স্বর হোনলিবা অসিগী মশক ওইবা প্রান (থব্রাই)

বু ঙম্বা কৌবা সিদ্ধিবু অর্জ্জুননা যংই। মাহুবু মহাভারতনা হাঙ্গৈ, অ-র্জ্জুননা মণিপুরদা চৎলি, মণিপুর নিংথৌগী মচানুপী চিত্রাঙ্গদা লৌই। মাঙোন্দা মচা নিপা বভ্রুবাহন পোকই হৌরকচা মনুংদা লৈবা মণিপুর, চিত্রাঙ্গদা অমসু বভ্রুবাহনগা মপানদা লেবা মণিপুর, কংলাদা লীনগী ফৈদি কোনহুনা লৈবা চিত্রাঙ্গদা অমা প্রাণবায়ুগী মশক ওইবা পাখংবা হাঙ্গৈবদি বভ্রুবাহনগা মশা অমত্তুনি মসনা আধ্যাত্মিকনি অমনা আধি-ভৌতিকনি। মশা অমত্তুনি, ভারতগী সনাতন ধর্ম্মদা আধিভৌতিক আ-ধ্যাত্মিক অমসু আধিদৈবিক অহুম যানবু মশক খংদবিবা মখৈ, নিগমা গম ধর্ম্মগী চান্নবা মশক খংবা হৌনদে। অমসু অর্জ্জুনা তৌখিবা মহাভারত-তা হাঙ্গৈবিবা অসিবু এতিহাসিকলা নত্রবলা হায় খংনিংবা য়াই, তৌইগুমসু মাহু নৈনকর্বাগী কান্নবা লৈতে। মসিদি মহাভারতনা হাইবা রাফম অদগী অর্থ খংলগা এতিহাসিকলা, নত্রা হাঙ্গৈবা মথন্তা ঙানথোক্কনি। অহুনা ঐখোইনা অহানবদা মগদবদি নাগগী গঙ্গা, অমসু মণিপুরনাচিংব-না হৌরকচাদা লৈবাবু মুন্না খংখিগনি। অদগী তুংদা গঙ্গা অমসু মণিপুরনা মপানদা তাইবংদা লৈবা মফমবু মুন্না খংগনি। মাসুম্না মফম অনিহুবু মুন্না খংলবা তুংদা ব্যাসদেবনা মহাভারততা হাঙ্গৈবা অদুগী অর্থ চান্নবনা মী অহুদা সংসংনা ঙানথেক্কদবনি। নত্রবা মখৈ কৈদৌনুংদসু ওইবোই। ঐখোইগী হকচাংদা লৈবা গঙ্গা অমসু মণিপুর মখোই অনিবু মশক খংবদি য়াম্না লই, মপোক কয়াবত্তাসু ঙমদবা য়াই, মাবুদি শ্রীগুরুগী থৌজান ফংদবিবা মখৈ খংলোই। অহুগা মপানদা লৈবা গঙ্গা অমসু মণিপুরবুদি মশক খংবা য়াম্না লাই, চৎহুনা এংলগা হেক্তা খংগনি।

মরমদি — গঙ্গা অমসু মণিপুর অনি অসিদা মাগী ইখ্বাইগা মান্নবা খুদম কয়া-মুক লৈ। মাহুবু কনা অমতনসু মাংহনবা ঙম্লাই। তৌইগুমসুং অকবদি মহাভারত না হাঙ্গৈবা গঙ্গাদ্বার অমসু মণিপুর অহু মাসিরা? হাঙ্গৈনা এংবদি মী খুদিংগা ইন্নাই লাই নদি থোকলোই। মহাভারতনা হাঙ্গৈবা মণিপুরবু মশক খংনবগীদমক অর্জুননা মণি-পুরদা চৎপদা হাঙ্গৈবা মহাভারতকী রাহৈবু অনুবাদ তৌহুনা লৌথংলি,—

অর্জুননা দ্রৌপদীগী মরমদা লেপনখিবা রা সোইবদগী চহি তরানিথোই বনদা লৈহুনা ব্রহ্মচারী ব্রত তৌনবগীদমক তীর্থ চৎলি। মাহুদা বেদ হৈবা ব্রাহ্মণ ময়াম

(অর্জুননা মণিপুরদা চৎকে নিংবাবু "নোংপোক চৎকে নিংই" হাঙ্গৈবা। মণিপুরদি পুন্নমক্কী নোংপোক নত্তে, মহাকবি বেদতগী নোংপোকনি; অদুনা হাঙ্গৈবনি।)

বেদ বেদাঙ্গ হৈবা পণ্ডিত অধ্যাত্মশাস্ত্র হৈবা ময়াম, ভীক্ষা তৌবা ভগবদ্ ভক্ত, পুরাণ হৈবা সুত, বারি লিবা, সংন্যাসী অমসু বনদা লৈবা মী মাথোই পুন্নমকনা অতোপপা সহায় ময়ামসু অর্জুনগী তুংইন্দুনা চৎলি। মাসুম তৌদুনা ফজ-ফজবা বন ময়াম কোইরকপদা অরাংলোমদা গঙ্গাদ্বার য়ৌরে। মাদুদা লৈনবা মফম শেমদুনা মীয়াম গা লোইনদুনা লৈ। মাসুম্না লৈরবদা অর্জুননা অভিষেকোদমক গঙ্গাদা কুম্বদা কৌরবা লিননিংথৌগী মচানুপী উলূপীনা অর্জুনবু গঙ্গাগী ঈসিং মনুংদা পুসিনখি। মাদুদগী লিন নিংথৌগী কোন্নুংদা উলূপীবু অর্জুননা লৌদুনা অহিং অমত্রু চুপনা লৈমম্মৈ। নোংঙাল্লগা উলূপীনা অর্জুনবু গঙ্গাদ্বারদা গঙ্গা মপান ফাউবা থিন্দোক্লকই। অর্জুনবু ঈসিংদা লৈখসীনা ম'ইপিবা পীবা ডমগল্লু, মাথোইবু ডম্ম্ হাঙ্গৈনা বর পীরমদুনা চৎখি। অর্জুন্না পাউপুম্বা মীয়ামদা তমলগা হিমালয় বোমদা মীয়ামগা লোইননা চৎখি।-অগস্ত্যবট, বশিষ্টপর্বত, ভৃগুতুঙ্গনচিংবা তীর্থপুম্বা মথং মথং চৎতুনা মহাককী অশেংবা থবকপুম্বা তৌখি। মণবী লীসিং লীসিং ওইনা দান তৌই। হিরণ্যবিন্দুতীর্থদা অর্জুননা পুণ্যগী মশক ওইবা মফম থিবিকপু এংখি।

অবতীর্য নরশ্রেষ্ঠো ব্রাহ্মণৈঃসহ ভারত।
প্রাচীংদিশমভিপ্রেপ্সুর্জগাম ভরতর্ষভঃ॥

—হে ভরত সাগৈমচা জনমেজয়! মী মরক্কী অথোইবা, ভরত সাগৈমচা অথোইবা অর্জুননা নোংপোক মাইকৈবু য়ৌনিংদুনা ব্রাহ্মণসীংগা লোইননা কুমথদুনা চৎখি। বিরমণ— মতম অদুদা অর্জুননা হিমালয়গী নাক্তা লৈ, মাদুদি অরাংথংবা ভারতকী ডমথৈনি, মাদুদগী নোংপোক্তা চৎকে হাঙ্গৈরবদি মথারোমদা কুমথরগা চৎকদবনি, মবমদি নোংপোক্তি অক্ষরেখা ২৪ নি, গঙ্গাদ্বারনা অক্ষরেখা ৩০ নি। মরম অদুদগী অবতীর্য কুমথাদুনা চৎখি, হাঙ্গৈবনি। অরাংলোমদা চৎপবু কাবা, মথাদনা কুম্বা মমাংদনা থোকপা অমসুং মনিংলোমদনা চংবা হাঙ্গৈনা চৎনৈ। রাকম অসি মলনা মথং মথং হাঙ্গৈগনি। মাসিদগী লাঙ্গৈনা থংলে, মাদুদি,— অর্জুননা চৎনিংবা নোংপোক অসি বেদগী নোংপোক্তা চৎকে নিংই, হাঙ্গৈবনি, চুম্নগী নোংপোক্তা চৎকে নিংবা ওইরবদি হিমালয়গী চীঙখোংদগী চপচুম্না নোংপোকলোমদা চৎকদবনি। অদুম্না চৎলবদি দিক্রুগরগী মথক্তা অরাংদা থুংগদবনি।

আনুপূর্ব্বেণ তীর্থানি দৃষ্টবান্ কুরুসত্তমঃ।
নদীঞ্চোৎপলিনীং রম্যামরণ্যং নৈমিষং প্রতি॥

নন্দামপরনন্দাঞ্চ কৌশিকীঞ্চ যশস্বিনীং।
গয়াঞ্চৈব মহানদীং গঙ্গামপি চ ভারত॥

—কুরু অথোইবা অর্জ্জুননা মথং মথং ওইনা তীর্থসীংবু উখি, মাত্রুদিং—
ফজবী উৎপলিনী তুরেন, নৈমিষবন, মাত্রুন্না নন্দা, অপনন্দা অমসু মিং
চৎপী কৌশিকী তুরেন, মথংদা গয়াতুরেন মথংদা মহানদী অমসু গঙ্গা
তুরেনবু ফংখি।

বিবৃতি— আলোচ্য শ্লোক অনিসিদা হাঙ্গৈরিবা তীর্থসীং অসিগী মথং
মনাওদগী খংই, মাত্রুদি অর্জ্জুননা হিরণ্যবিন্দুদগী মখারোমদা কুমথরকপা
অসিদা হুজিকী কানপুর ফাউবা চপ চুন্না লাকই, অত্রুদগী খা নোংপোক
পাংনা লাকই। মাত্রুদি — নৈমিষবননা কানপুরগী নাক্তা লৈ মহানদীনা মে-
কলচীঙদগী সম্ভল, সোনপুর, কটক ফাউবা পবেং চেল্লকই। অত্রুগা কলিঙ্গ লৈ-
পাকী মতোনদা চেন্দুনা সমুদ্রদা তাই, মহাক্তি অশোক সাম্রাজ্যগী খাগী
লমথৈনি ইতিহাসদা য়াওবা তুরেননি। গঙ্গাদি ভাগিরথী নদীনি। অমাসু
মাসিদা হাঙ্গৈরিবা অর্জ্জুননা চৎখিবা তীর্থগী পবেংদগী খংবা ভমঙে, মাত্রুদি
অযোধ্যারোমদা সিতাপুরদগী মখারোমদা ক্রোশ তরাত্রুমক্তোই চৎলগা
মন্নুরা কোবা খুন অমা লৈ, মাত্রুদা অর্জ্জুনগা বভ্রুবাহনগা লান তৌনখি,
অসুন্না অযোধ্যা বাসীনা থাইনাদগীনা মথং মথং ডাংনরকই। মাত্রুবু
কনাগুম্বাসীংনা মহাভারতকী মণিপুরনি, হাঙ্গৈনা নিংই। মাত্রুদি চুমদে,
হাঙ্গৈবা খংনরে, মরমদি মন্নুরা খুনবু হেন্দোক্তুনা অর্জ্জুননা লাপনা চৎ-
খরে। অমসু প্রত্নতত্ত্ব হৈবা জেনারেল কনিংহামনা মধ্যভারততা লৈবা
রত্নপুরদগী অন্নাংলোমদা লৈবা চেদীরাজ্য রাজধানীবু মহাভারতকী মণি-
পুরনি হাঙ্গৈ, মাত্রুদি মথন্দা তোকচরে হাঙ্গৈবাসু খংলে।

এবং তীর্থানি সর্ব্বাণি পশ্যমান স্তথাশ্রমান্।
আত্মনঃ পাবনং কুর্ব্বন্ ব্রাহ্মণেভ্যো দদৌ চ গাঃ ॥

— মাসুমতোত্রুনা তীর্থ পুন্নামকপু অমসু মুনিসীংগী লৈফম খিক্কিপু
এংত্রুনা মহাকী হকচাংবু শেংহন্দুনা অর্জ্জুননা ব্রাহ্মণখিবিকতা ষণবী মরাম
কৎখি।

অঙ্গ বঙ্গ কলিঙ্গেষু যানি তীর্থানি কানিচিৎ ॥
জগাম তানি সর্ব্বাণি পুণ্যায়তনানি চ ॥
দৃষ্ট্বা বিধিবৎ তানি ধনঞ্চাপি দদৌ ততঃ ॥

(অর্জ্জুনগী মণিপুর তাম্না লাকপগী লম্বেন তাকলি। মাহুদা বাঙ্গালী বাবুনগেন্দ্রনাথবসুগী চোইরোনসু প্যাবিয়ু।)

—অর্জ্জুননা অঙ্গ, বঙ্গ, অমসু কলিঙ্গ লৈপাক খিবিক্তা লৈবা তীর্থ খিবিকপু মাহুগুম্না অশেংবা পুণ্যগী মফম ওইবা যজ্ঞ তৌফম খিবিকপু (লাইলাৎফম খিবিকপু) চৎলি, মাখোই খিবিকপু অর্জ্জুননা হৌনবি কাই-দনা এংলগা লনগী দানসু তৌখি।

কলিঙ্গরাষ্ট্রদ্বারেষু ব্রাহ্মণাঃ পাণ্ডবানুগাঃ।
অভ্যনুজ্ঞায় কৌন্তেয়মুপাবর্ত্তন্ত ভারত ॥

— হে ভারত জনমেজয়! অর্জ্জুনা তুং ইনবা ব্রাহ্মণসীংনা কলিঙ্গ লৈপাক লম থোং চংফম ঘাত শৈলমালাগী অরোইবা মতান য়েৌবদা অর্জ্জুনগী য়াথং লৌদ্রনা হনখৌরে।

স তু তৈরভ্যনুজ্ঞাতঃ কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ।
সহায়ৈরল্পকৈঃ শূরঃ প্রযযৌ যত্র সাগরঃ ॥

কুন্তীগী মচা অপোবা ধনঞ্জয় অর্জুননা মীথাই চৎলগা হাইনা ব্রাহ্মণসীংনা তাকু-না চৎথবদা মহাক্কী সহায় তৌদ্রুনা লোইনবকপা মী খরা পুড়না সমুদ্র তুম্না চৎখরে।

বিবৃতি,— প্রযযৌ = চৎংবে, হাইনবি খোকথারে = নোংপোক লোমদা চৎখরে। হাঙ্গবনি। প্র + যা ধাতুগী অর্থদা মমাংলোম চৎপা হাঙ্গ। অমসু মথক্তা অঙ্গ, বঙ্গ, কলিঙ্গ অসুম্না লৈপাক অহুম মথং মথং হাঙ্গখিবদগীসু কলিঙ্গগী তবাং নোং-চুপথংবা লমথৈদগী ব্রাহ্মণসীংনা হনখৌই। অদুগী মতুংদা অর্জ্জুননা মী খরগা লোইনাদুনা কলিঙ্গদা লৈবা তীর্থ খরা চকৎ হন্দা চৎলগা নোংপোক থংবু সমুদ্র মপান তম্না চৎখি।

স কলিঙ্গানতিক্রম্য দেশানায়তনানি চ
হর্ম্ম্যাণ্যতিরম্যাণি প্রেক্ষমাণো যযৌ প্রভুঃ ॥

মতিক চাওবা অর্জ্জুননা কলিঙ্গ লৈপাক পুশাবু লান থোকুনা লাইসং অমসু অচৌবা অসাং এন ক কৈরাক থনবাসীংগা ফজ ফজবা য়ুম মম্নাম এংদুনা এংদুনা চৎখি।

বিবৃতি,— পণ্ডিত নগেন্দ্রনাথ প্রাচ্য বিদ্যা মহার্ণবনা মহাক্কী বাঙ্গলা অমসু হিন্দী বিশ্ব কোষদা য়াম্না নাপন তৌনা হাঙ্গরম্মই, মাহুদি—

इतिहास— किसी किसीका विश्वास है, कि महाभारतमें जिस मणिपुर का उल्लेख है, जहां अर्जुनके साथ उनके पुत्र बभ्रुवाहनने युद्ध किया था, यह वही मणिपुर है। किन्तु इस भ्रान्तविश्वासके मूलमें जरा भी सत्यता नहीं है। वास्तविक

महाभारतीय मणिपुरका बर्त्तमान अवस्थान निर्णय करनेमें बहुतेरे भूलमें पड़ गये हैं। प्रसिद्ध प्रत्नतत्त्वविद् कनिंहम साहबने मध्यप्रदेशके अन्तर्गत रतनपुरके उत्तर अबस्थित मणिपुरको हो चेदिराज्यकी प्राचीन राजधानी और महाभारतीय मणिपुर बतलाया है। फिर कोई कोई मन्द्राजके निकटवर्त्ती माहुलापुरको प्राचीन मणिपुर कहते हैं। डाक्टर अपार्टने दाक्षिणात्यके मदुरासे ७॥ मील पूर्वमें अवस्थित बर्त्तमान मणलूर ग्रामको महाभारतीय मणिपुर स्थिर किया है। फिर अयोध्या प्रदेशके सीतापुर जिलेमें प्रबाद है, कि सीतापुरसे १३ कोस दक्षिण मनुआ नामक एक बड़ा ग्राम है। यही ग्राम प्राचीन मणिपुर है। यहां अर्जनके साथ बभ्रुवाहनका युद्ध हुआ था।

उपरोक्त कोई भी मणिपुर महाभारतके समय नहीं था। आधुनिक अलीक प्रबादसे नाना मतकी सृष्टि हुये हैं।

महाभारतसे जाना जाता है, कि मणिपुरमें कलिङ्गाधिप चित्राङ्गदाके पिता की राजधानी थी और यह समुद्रके किनारे अबस्थित था। (भारत १।२१६ अ०)

किन्तु ऊपर जिन सब मणिपुरका उल्लेख किया गया है उनमें कोई भी कभी कलिङ्गराज्यके अन्तर्गत नहीं था। हमने कलिङ्ग शब्दमें यह दिखलाया है, कि वर्त्तमान गञ्जाम जिलेके चिकाकोलके निकट जो मनकुर बन्दर है वही कलिङ्गराजधानी महाभारतीय मणिपुर है। (कलिङ्ग देखो)

মসি হাঙ্গৈরিবা অসি কয়ানুক লানবগে হাঙ্গৈবা আলোচ্য শ্লোক অসিনা তাকলে মাসিগি পাঠশালা তম্বা ফাওবা অথাং ফাওবা থংজ, মাদুগি অর্জ্জুননা মণিপুরদা লাকপদি কলিঙ্গবু হেন্দোক্তুনা চৎলগা কাইনাথদা মণিপুর ফংই, হাঙ্গৈরগা মণিপুরবু চির্কাঙ্গদ মনাবতা কলিঙ্গ মতুংদা লৈ হাঙ্গৈবা অসিদি অঙাওবাগী চোইব্রোননি। মাসুমনা রামনশিবরাম ও. স্তাচিংবা দাক্ষিণাত্যগী পণ্ডিতনা মাগী সংস্কৃত ইংলিশ ডিকসনারীদা হাঙ্গৈ মাগুদি, "Manipur N. Name of a toun in Kalinga" অসুম্না হাঙ্গৈ, মাদুগী মগুনদি মহাভারততা উরবা অসিনি।

মহেন্দ্র পর্ব্বতং দৃষ্টা তাপসৈরুপশোভিতং।
সমুদ্রতীরেণ শনৈর্মণিপুরং জগামহ॥

— অর্জ্জুননা মহেন্দ্রপর্বতা উরনা তাপস থিবিকনা লৈতেংব মণিপুরবু সমুদ্রপাননা শূদম তুইদুনা তপনা অমসুং ইফোং ফোংনা ফংখি।

মিংতি — মথাথংবা ভারততা নোংপোকথংবা সমুদ্র মপানদা লৈবা চীও পরেংবু মহেন্দ্রপর্ব্বত কৌই। মহাক্তি অক্ষরেখা তরামাথোইদা লৈবা কাবেরী তুরেনদগী হৌরকই। অহুনা কলিঙ্গগী অথাং নোংপোক থংবা লমথৈদা অক্ষবেথা কুনমাথোই মথাই

(বেদগী নোংপোকপু মুথক্তাস্থ খোইওয়া কোঙ্গয়ক কোইনা তোংবা মহুৎদাস্থ মণিপুরগুবা সিঘোল লৈবা ময়ম্না মণিপুর তোনা কৌএ)।

য়ৌ ফাত্তনা লোইরৈ। অর্জুননা মহাকপু কলিজ হেন্দোক্লগা উই, বাহে অসিনা তাকলে, অর্জুননা `মহেন্দ্রনপর্ব্বতপু উবা মফম অসি অক্ষরেখা ২২ বাইদা সমুদ্রগী অবাং থংবা মপান মনাক্তা লৈত্রনা উবনি। চীঙ অত্রবু উরবা তুংদা সমুদ্র মপান্না খুদম ওইহনা চহলগা মণিপুর ফংই, হাঙ্গবা সিদগী থংলে, মাহুদি অবাংথংবা সমুদ্র মপানদা নোংপোকতংনা চৎতুনা সমুদ্রগী মনাক্তা লৈবা মণিপুরবু ফংই। * তপনা ফংই, হাঙ্গবদি কলিঙ্গদগী মণিপুর ফাওবদি দ্রাঘিমা ১৩ রোম লাপই, অত্রনা লম্বেন অত্র শাংবনা অমস্থ লম্বেন অত্র ফত্তবা চৎপা বাবনা মতম য়ান্না চংনা তপনা হাঙ্গবদি থিন্না-ফংই, হ = ক্ষুট = ইফোং ফোংনা হাঙ্গবদি মণিপুরদা লৈবা ইথ্রাইগা মান্নদবা মাগী খুদম থিবিকনা মরম ওইত্রনা ইফোং ফোংনা লৈরঙবু উবদা মণিপুর কদায়দনো হাঙ্গনা হংনকবা তৌদনা ইরাই লাইনা ফংথি।

তাপসৈঃ উপশোভিতং, তাপস (লাইনিংবসীংনা) লৈত্তেংবা, বিশেষণ অসিনা মরম ওইত্রনা মনাক্তা লৈবদগী মণিপুরং হাঙ্গবা বিশেষ্যবু জুমিৎকী অহানবা থোকনফম, নোংপোক কৌবা অক্ষরেখা ২৪ না মথক্তা তাবা সুদর্শনদ্বীপকী নোংপোকথংবা অরোইবদা লৈবা উদয়গিরিনি, হাঙ্গনা তাকই †। অমস্থং মণিপুর মিং অসিনা মণিপুর গিরি হাঙ্গবমিংবু থংনগনি। মাহুদি ভীমতা হাঙ্গরগা "একদেশেন সমুদায়োপচারাৎ" হাঙ্গবা ন্যায়দগী ভীমসেনবু থংনবগুম্বনি। মরম অসিনা পুরাণদা তীর্থ মযাম থারকপদা মণিপুরবু মণিপুরগিরি (ব্রহ্মপুরাণগী তীর্থপ্রকরণনচিংবা) অস্থন্না হাঙ্গ। অমস্থ মণিপুরতম অসিস্থ চীঙদা লৈবনি, সমুদ্রগী ইমাইদগী ফুট লীসিংঅনি মথাই হেন্না

---

* দৃষ্ট্বা = উত্তনা, "ত্বা" প্রত্যয়গী অর্থনা তাকই, মাহুদি মহেন্দ্রপর্ব্বতলোমদা চৎত্তরে। মাবু হুঞ্জেরুমত্রনা নোংপোক পাংনা চৎথরে হাঙ্গবা ময়েকনা তাই।

† "শক্তিগ্রহং ব্যাকরণোপমান কোষাপ্ত বাক্যাদ্ ব্যবহারতশ্চ। বাক্যস্য শেষাদ্বিবৃতের্বদন্তি সান্নিধ্যতঃ সিদ্ধপদস্য বৃদ্ধাঃ।" অস্থন্না শাস্ত্রনা হাঙ্গবদগী সিদ্ধপদ হাঙ্গবদি ইথ্রাইনা থংনবা বাহৈগা লেংমন্নবদগী থংদবা বা'হগী অর্থ থংই, খুদমগীদমক,— "ইহ সহকারতরৌ পিকোরৌতি"—হৈনৌ পাম্বীদা পিকনা খোংই, মাসিদা সহকারতরু = হৈনৌ পা'ম্বী ইথ্রাইন্না থংনবা অত্রগা হাঙ্গমন্নবদগী পিকংগী অর্থ থর্জবা মীনা পিকদি কোকিলগী মিংনি, হাঙ্গবা থংই। মাসিগুম্না তাপসনা লৈত্তেংবা হাঙ্গবা সিনা বেদনা, রামায়ণ, মহাভারতনচিংবা শাস্ত্রপুম্বনা হাঙ্গ, মাহুদা লাই, মুনি, ঋষিসীংনা নোংপোক উদয়চীঙদা তপস্যা তৌত্রনা লৈ, হাঙ্গবা মরমনা মণিপুরবু উদয়চীঙনি হাঙ্গবা থংই।

ঐগী ইচাম্বপীদা নিপা অমা পোকউ, পোক্তি বনখৈ ম্বাওং ইল্লু, ইচা অহুনা ঐগী একমলাই ওইহুনা যাংগঙাম্লগে, মচং সিদা মুহোংববু পুত্রিকাধর্ম কৌই কেন্নলদৈবাক্সা মৈতৈদগী তম্বনে

ম্বাংই অহুনা মণিপুর অসিবু ব্রাহ্মণসীংনা সংকল্প তৌবদা "মেখল" দেশ কৌরমই। অমসু হৌজিক্কী কালগী অনৌবা পণ্ডিতসীংনা আলোচ্য শ্লোক অসিদা "তাপসৈঃ উপশোভিতং" হাহৈ অসিবু মহেন্দ্রপর্ব্বতকী বিশেষণ ওইনা অন্বয় তৌহুনা অনুবাদ তৌনবনা নমলে। মাদুম্না তৌরবদি সমাপ্ত পুনরাক্ত দোষ লৈ। মহাকবিমণিপুরগী বিশেষণনি।

মণিপুর গিরিনা পুক্কী মথক্তা খোইগী মপানদা চক্রগুম্না কোইসিন্দুনা লৈবা অমসু মহাক্কী লৈলুংদা পুক্কী মমুংদা লৈবা মণিপুর চক্রনা লৈবগী খুদম সিম্বোল লৈবা মরমদগী "যেনলিঙ্গেন যোদেশো যুক্তঃসমুপ লক্ষ্যতে। তেনৈবনাম্নাতংদেশ বাচ্যমা হুবিচক্ষণৈঃ॥" পণ্ডিতসীংনা লম অহুদা লৈবা খুনম্না লম অহুগী মমিং ওইনৈ, অসুম্না মহাভারত হৌগৎপদা ব্যাস দেবনা হাঙ্গৈথিবা মরমনা বেদগী নোংপোক কৌবা লম্বু মণিপুর কৌনা মমিং থোনবনি।

অমসু মথক্তা তশেংনা হাঙ্গৈখরে, মাহুদি অর্জ্জুননা নোংপোক্তা চৎকে নিংহুনা হিরণ্য বিন্দুদগী মখারোমদা কলিঙ্গ ফাউবা কূমথাখি। কলিঙ্গবু লানথোক্লগা মহেন্দ্র পর্ব্বত উরগা সমুদ্র মপানদা চৎতুনা মণিপূর য়ৌই, অসিনি। অহু ওইরবদি অর্জ্জুননা চৎখিবা সমুদ্র মপান অহু সমুদ্রগী অয়াং থংবা মপানদা নোংচুপ নোংপোক পাংনা লৈবা মপানদা চৎপনি, হাঙ্গৈবসিদি ময়েকনা তাবনি। মরমদি বিন্ধ্য চীঙশাং, গঙ্গা সাগর, মণিপুর মাখোই অসি অক্ষরেখা ২৪ কর্করেখাগী মনাক্তা লৈবা ঙাকনি। অর্জ্জুননা মতম অহুদা নোংপোক চৎকে হাঙ্গৈরবদি অয়াংথংবা সমুদ্র মপানন খুদম ওইহুনা চৎকদবনি। মরম অসিনা হৌগৎপদা (প্রাচীংদিশমভি প্রেপ্সুঃ জগাম) নোংপোক্তা চৎনিংহুনা চৎখরে হাঙ্গৈরগা (মণিপূরংজগাম) মণিপূর য়ৌরে, অসি হাঙ্গৈহুনা মণিপূরবু নোংপোকনি, হাঙ্গৈনা তাকলি। মাসিমক্তদা অমোক হেন্না ওক্তনবা হাঙ্গৈহুনা হাঙ্গৈ, মাহুদি মণিপুর য়ৌরগা তীর্থদা তৌবা হৌনবা থবক পুম্বা তৌরে। মণিপূর নিংথৌগী মচা মুপী চিত্রাঙ্গদা লৌই। মাঙোন্দা বভ্রুবাহন পোকই। অহুগী মতুংদা (নৃপতিংতংতুজগাম পরিবাক্তিতুং) মণিপুর নিংথৌদা ঐ অমোক হলকে হাঙ্গৈহুনা অর্জ্জুননা মণিপূরদগী চৎখি। "ততঃ সমুদ্রেতীর্থানি দক্ষিণে ভরতর্ষভঃ।

(প্রাগব্ বভ্রুবাহন কৌই। উপনিষৎকী মতনি, নিগমগী তাষানি। পাথংবা মিংবু কাই· লোলোজিংগী থংই, প্রাণ হাঙ্গবনি, আগমগী মতনি। পাথংবা = নিগমাগম)।

অভ্যাগচ্ছৎসুপুণ্যানি শোভিতানিতপস্বিভিঃ॥" ভরত অথোইবা অর্জ্জুননা মণিপুৰদগী হনলক্লবা মতুংদা মখারোমদা সমুদ্র মনাক্তা লৈবা পুণ্য ওইবা অমসু তপস্বীসীংনা নিংথিবৰা তীর্থসীংদা চৎথি। মাসুম হাঙ্গীদুনা মণিপূৰবু নোংপোকনি হাঙ্গীনা খংহনলি। মাসুম'তৌদুনা মখারোমদা চৎলুরগা অমোক মণিপূৰদা হল্লকই। মণিপূৰ নিংথৌগী মচা নুপী চিঙ্গদাদা পোকপা মচা বভ্রুবাহনবু উংদুনা অর্জ্জুননা মণিপূৰ নিংথৌ চিত্রবাহনদা হাঙ্গী,— হে নিংথৌ। চিত্রাঙ্গদাগী মন্থৎ বভ্রুবাহন অসি লৌবো, মাসিনা মবম ওইদুনা ঐ লমন লৌবলে। অসি হাঙ্গীবগা চিত্রাঙ্গদাদা অমোকসু অর্জ্জুননা হাঙ্গী, হে ভদ্রে নংগী অফবা ওইনু, অসিদা অসুমক লৈযু নচা বভ্রুবাহনবু যোকউ। ঐনা ইন্দ্র প্রস্থদা লৈবা মতমদা নংনা লাক্কুনা ঐগা লৈমন্নাগনি। কুন্তী, যুধিষ্ঠির, ভীম, অমসু নকুল, সহদেব ইনাও অনিবু অতৈ অতোপপা মকপ মপাং পুম্বাবু নংনা উনগনি। বন্ধুসীংগা মুগাইনা লৈমন্নাগনি। ধর্ম্ম কাইদবা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা পৃথিবী পুম্বাবু দিগ্বিজয় তৌদুনা নিংথৌ পুম্বাবু ওমদুনা রাজসূয় যজ্ঞ তৌগনি। যজ্ঞ অদুদা পৃথিবীগী নিংথৌ পুম্বনা মণিরত্ন ময়াম পুদুনা লাক্কনি, মাদুদা নপা নিংথৌগা লোইনাদুনা সেবা তৌদুনা লাকউ, ঐখোই অনি মাদুদা উনগনি। তুজিক নচাবু যোকউ, ঐগা কাইনবগীদমক রাগনু। অসি হাঙ্গীবগা অর্জ্জুননা হাঙ্গী,—

"বভ্রুবাহন নাম্না তু মম প্রাণোমহাচরঃ।"

—বভ্রুবাহন কৌবা মিংনা লৈপাক্তা চৎপা ঐগী থরাইনি, হাঙ্গীবদি অর্জ্জুন ঐগী থরাইনা ইচা ওইদুনা লৈপাক্তা চৎলিবনি, ঐগী মুংসি মতুমনি। মমুংদা হাঙ্গীরিবা অর্থদি,— বভ্রুবাহন কৌবিবা অসিদি জীবাত্মা ঐগী হকচাং পুম্নামক্তা চংদুনা লৈবা খোইদোদগীনা নাতোন ফাউবা লীনগুম্না চৎপা প্রাণবায়ুনি। মাসিনা মবম ওইদুনা বেদনা তাকপা নোংপোক কৌবা লৈপাক্ততদা লৈবা মফম অতৈদা লৈতবা মণিপুরগী থুদম লৈবা মফমবু কংলা কৌই, মমুংদা লৈবা প্রাণদেবতাবু পাথংবা কৌই। কংলাদা লৈবা

থরাইপানবা পুম্বগী খোইদৌদা পুকন্নুংদা থবাম শাবা চক্র অমা লৈ, মাহুব আগমনা মণি-
পুর চক্র কৌই। মাহুমানবা খুদম লৈবা লম্‌ মণিপুর লৈপাক কৌই।

সুরুঙ্গ পথ অহুদা পাতালদগী মুংসাম্বর হোনবাগুম্না মুংশিং হুঙ্গংহন্না চংলি। মন্নুংদা প্রাণনা লীনগী মওং লৌহুনা ফৈদিকোন্দুনা লৈ, হাঙ্গৈবসি মণিপুরদা নিংসংবা থোক্তরবা মতমদগীনা হুজিক ফাউবা ঐতিহ্য অসি লৈ। অসিগুম্বা খুদম অসি লৈবদগী মফম অসিবু ব্যাসদেবনা মণিপুর কৌবনি মরমদি থরাইপানবা পুম্বাগী পুক্কী মন্নুংদা খোইগী মপাদা লৈবা খুদমু আগমনা মণিপুর কৌই, অহুনা লৈপাক অসিবু মণিপুরগী খুদম সিম্বোল-নি হাঙ্গৈহুনা মণিপুর কৌই।

থরাইপানবা পুম্বাগী পুকন্নুংদা খোইদৌদা লৈবা মণিপুরগী খুদম্না বেদগী নোং-পোক লৈপাক অসিতদা লৈবাগুম্না থবাইপানবা পুম্বাগী হকচাং মন্নুংদা লৈবা গঙ্গা দ্বারগী খুদমনা ভাগিরথী গঙ্গাগী অহানবা তাফম থোং হরিদ্বারতদা লৈ। মরম অসিনা অর্জ্জুননা শক্তি কংনবা তানবদা হকচাং মন্নুংদা গঙ্গাদ্বারদা কুণ্ডলীনী হৌদোক-পাম্নু ভাগিরথী গঙ্গাদ্বারদা সাধনা তৌই, মাহুগুম্না পুকন্নুংদা লৈবা মনিপুং-চক্রবু ঙমহুনা চিত্রা মঙীবু হৌদোকপাম্নু বেদগী নোংপোক লম অসিদা লাক্কনা সাধনা তৌরবনি। মরম অসিদগী ব্যাসদেবনা লৈপাক্তা লৈবা মণিপুরগী মফম অসিবু থং-নবগীদমক ব্যাসদেবনা মণিপুরগী লৈফমু মাম্না শেংনা নিংথিনা তাকইবনি। কনা-গুম্বনা ব্যাসনা হাঙ্গৈরিবা মহাভারতকী মণিপুরগী ৱারি অসি নিংথিনা অধ্যায়ন তৌরবদি বেদান্তোপনিষৎকী প্রাণোপাসনা অমসু আগমগী যোগ সাধনাবু তম্বাগুম্না যোগ সিদ্ধবু মশক খংবা ঙমই। মাসুম তৌহুনা অর্জ্জুননা মচা বভ্রুবাহনবু সিন্নরমই অহুগা মণিপুরদগী গোকর্ণ তীর্থ তান্না চংখি। মাহুদগী নোংচুপতা সমুদ্রগী মপান্দা লৈবা তীর্থ ময়াম চংলি। মাহুদগী দ্বারকাদা চংলি। খাণ্ডববন মৈ থারগা সুভদ্রা লৌই। অভিমন্যু পোকই। অহুগী তুংদা ইন্দ্রপ্রস্থদা হন্নরখি, ভীম, অর্জ্জুন, নকুল অমসু সহদেবনা মাইকৈ মরিদা দিগ্‌বিজয় তৌহুনা নিংথৌসিংদগী লোইপোৎ লৌই। যুধিষ্ঠিরগী রাজসুয়যজ্ঞ তৌই। পৃথিবী পুম্বাগী যুধিষ্ঠিরনা সম্রাট্‌ ওই। মতম অহুদা কুরুনা চৌবর সান্নবা হৌহুনা পাণ্ডব মঙানা মাইথিবে। চহি ১২ বন চংপা চহি অমা উইহন্দনা লোংলি। মন্নুং অহুদা যুধিষ্ঠিরনা ব্যাসদেবদগী প্রতিস্মৃতি বিদ্যা তম্বই অর্জুনবু দীক্ষা পীহুনা সাধনা তৌনবগীদমক যুধিষ্ঠিরনা চংহনখি অর্জ্জুননা ইন্দ্রকীল চীঙদা সিদ্ধ ওইহুনা দিব্যজ্ঞান দিব্যাস্ত্র পুম্বা ফংই। পাণ্ডবনা চহি অমা বিরাট্‌তা লোংলি। কোংদোল্লগা কুরুক্ষেত্রদা কুরু পাণ্ডপকী তাইবংপানদা ফাওরিবা অফনবা

অর্জ্জুননা মপা শকপা ভীমবু হাৎপগী দোষনা যোগসিদ্ধি মাংখ্রবদা সগোনগী মতুংইন্দুনা
শাকপদা মচানা হাৎতুনা শিরুই, মাতুগী লাকপদা চৎপা হনবদা চৎপা লম্বেন ।

লান শোরুখি। লান অতুদা পাণ্ডবপু মপাশকতুনা যোকপিরকপা ভীমবু অর্জ্জুননা হাৎলি। মাতুগী দোষদগী অর্জ্জুনগী যোগসিদ্ধ অতু মাংখরে। মাতুগী খুদম ওইনা উলুপীগী মচানিপা ইরাবান্ কুরুক্ষেত্রগী লানদা শিখি।

"লান লোইরবা তুংদা সাগৈ হাৎপাগী পাপ কোক্লবাগীদমক যুধিষ্ঠিরনা রাজসূয় যজ্ঞ তৌই। মাতুদা যজ্ঞগী সগোন ভাকনবগীদমক অর্জ্জুননা সগোনগী তুং ইন্দুনা দিগ্‌বিজয় তৌবা চৎলি। যজ্ঞগী সগোনবু মনিং তৌনা চৎহনলি। সগোন অতুনা পৃথিবীবু এৎলোইনা কোইতুনা চৎলি। অহানবদা ত্রিগর্তদা মথংদা প্রাগ্‌জ্যোতিষপুর, মাতুগী মথংদা সিন্ধুদা চৎলি। মাতুগী মথংদা মণিপুরদা চৎলি। মণিপুরদা অর্জ্জুননা মচাগী খুৎলাইনা পান্দুনা তুরে। অতুগা মচা বক্রবাহনসু হানথখরে। খর-লৈরগা বক্রবাহন হিংগৎলে। উলুপীনা অর্জ্জুনবু মণিনা শোকতুনা নালগা অর্জ্জুন হিংগৎলি। অতুগা অর্জ্জুননা মনিপুরদগী যজ্ঞগী সগোন মতুং ইন্দুনা হনথি।

"ক্রমেণ সমুদ্রান্তাং পর্য্যেত্যবসুধামিমাং। নিবৃত্তোঽভিতো রাজন্ যেনবারনসা হ্বয়ং॥"
—যজ্ঞগী সগোননা মণিপুর য়ৌরবদা সমুদ্রনা ভমথৈ ওইবা পৃথিবীবু কোইবা খুংলতুনা হস্তিনাপোয়মদা ওন্দুনা হনথবে। "অনুগচ্ছংশ্চতুরগং নিবৃত্তোঽথকিরীটভৃৎ। যদৃচ্ছয়া সমাপেদে পুরং রাজগৃহং তদা" ॥—কিরীটউপপা অর্জ্জুননা যজ্ঞগী সগোন মতুংইন্দুনা হস্তিনা য়োমদা হনথরে। মাতুনা লাকপদা লমথাংদা লম্বেন থোকতুনা জরাসন্ধগী কোনুংবু কংই।"

সমীক্ষা—মখিদা হাঙ্গখয়ে, নোংচুপ্পা লৈবা সিন্ধুদগী মণিপুরদা চৎপদগী মণিপুরসু সিন্ধুগী নক্তা লৈকম থোকই, অসুম্না চিংনগদবু কোক্লবগীদমক মহাভারতনা তাকলি; মাতুদি মণিপুরদগী হস্তিনা কাউবা চৎপদা লমথাংদা জরাসন্ধগী কোনুং থেংনৈ অদি হাঙ্গতুনা মণিপুরবু বেদগী নোংপোকনি হাঙ্গতুনা তাকই। হস্তিনাদি ব্রহ্মাবর্ত্ত দা লৈরনি প্রাচীন উইচতগী নোংপোক্তা দ্রাঘিমা ৭৮ রাইনি, অবাং অক্ষাংশনা ২৯. রাইনি জরাসন্ধ কোনুংবা দ্রাঘিমা ৮৫ রাইনি অরাং অক্ষাংশনা ২৫।৩৬ রাইনি মণিপুরনা দ্রাঘিমা ৯৪ অক্ষাংশ ২৫ নি অতুনদি মণিপুরদগী লম্বি অমা হস্তিনা কাউবা চিংনরদি লমথাংদা জরাসন্ধ কোনুংদা তাই।

প্রাচীন মণিপুরনা মখাথংবা ভারততা মহিশূর রাজ্যগী মনাক্তা রত্নপুরদা লৈরবদি নত্রগা কলিঙ্গগী রাজধানি মন কুবদগী হস্তিনা কাউবা চৎলবদি পাটনাদি নোংপোক্তা লাপনা হন্জেকখলে। মাসুম তৌতুনা হজিকী কালগী পণ্ডিতসীংনা হায়না লৈবা অসাবা (কৃত্রিম) মনিপুরদগী চৎলবদি জরাসন্ধগী কোনুংবু শোকপা ভমদে হায়দুনা হন্নিদি, অদোম্বা উনয়ে। মাসিদগী হেরো মহাভারতনা প্রাচীন মনিপুরবু তাকনিবাই লৈতে।

মণিপুরগী ওলপাকপু ইম্ফাল কৌই, মাদি য়ুম্ফাল হাঙ্গীবনি, য়ুম্ফালবু ঋগ বেদনা প্রত্নৌকস্ শুক্লযজুর্বেদনা প্রাচীন ভবন কৌই। ভাষা বিজ্ঞাননা প্রমাণ তৌই।

প্রত্নৌকস্।

ঐখোইনা লৌখৎখরে, মাহুদি, মহাভারততা ভগবদ্‌যানপর্ব্বগী অধ্যায় ১০৮ সুবদা হাঙ্গীবা (মহাভারত, ভগবদ্‌যানপর্ব্ব, অধ্যায় ১০৮ সুবদা হাঙ্গীবা গালব ব্রাহ্মণদা গরুড়না তাকপা) নোংপোক্কী বর্ণনাবু ঐখোইনা মথক্তা পৃঃ৮ পঙ ২০ দগী হৌহুনা লৌখৎখরে রাফম অহুবু য়াম্না কুপনা নৈনরকলি। মাহুদা হাঙ্গীরিবা রাফমদগী য়াম্না মুন্না খংলে মাহুদি,— মহাভারতনা হাঙ্গীরি, সুমিৎকী অহানবা থোককম চীঙ অহুদা লাইসীংনা পোকই, চাঙই, অহানবদা মফম অহুদা লাইনা লৈরমই, ইন্দ্রবু লাইগী নিংথৌ ওইবাগী অভিষেক তৌই, হাঙ্গীবাসিদগী ঐখোইনা চিংনবা লৈতনা খংলে, মাহুদি লম অহুবু বেদনা প্রত্নৌকস্ কৌই। হাঙ্গীবদি বেদনা প্রত্নৌকস্ কৌবা মফম্বু মহাভারতনা ব্যাখ্যা তৌবনি।

প্রত্নৌকস্,—

অনু প্রত্নস্যৌকসো হুবে তু বি প্রতি নরং। যং তে পূর্ব্বং পিতাহুবে

(ঋগ বেদ ১।৬।৩০।১)

মমাংঙৈগী অরিবা য়ুমদগী যজমান পুম্বাগী নাক্তা চৎপা অমসু তাইবং মী নিপাগী মশক ওইবা ইন্দ্রবু মথং মথং কৌনারকপাগী মতুং ইন্না ঐসু কৌরি। ঐখোইবু পোকপনা মমাংঙৈদা যজ্ঞ তৌবদা মাবু কৌরমই।

সমীক্ষা,— "প্রত্ন" = "প্রাক্তন" হাঙ্গীদি প্রাক্‌তা ওইবাবু কৌই। প্রাক্ হাঙ্গীবগী অর্থদি প্র + অচ্ = অহানবদা সুমিৎনা থোকপা মফম হাঙ্গীবনি। মাহুদি,— মাইকৈদা হাইরগা পূর্ব্ব = নোংপোকতা ওইবা অমসু মতমদা হাঙ্গীরগা পুরাণ = প্রাচীন = মমাংঙৈদা ওইবা = কুইরবা হাঙ্গী। মর অসিদা প্রত্ননা পুরাণগী অর্থবু খংহনজি। অমসু সুমিৎকী অহানবা থোককমবুসু য়োগার্থনা খংহনজি। অহুনা প্রত্নবু নোংপোকতা লৈবা, মমাংঙৈগী অরিবা অসুমা অর্থ হনগনি। মরম অসিনা "প্রত্নং প্রদীবঃ প্রবয়াঃ

প্রত্নৌকস্‌কী বিন্দু থিবদা তশেংনা থখলে, মাহুদি বেদগী নোংপোক্কী বিন্দুনা প্রত্নৌস্‌কী বিন্দুনি, মশা অমতনি।

সনেমি পূর্ব্যম্‌ অহ্নাযেতি ষট্‌পুরাণ নামানি।"— অসুম্না নিঘণ্টুদা হাঙ্গী। মহাক্কী ভাষ্যদা দুর্গাচার্যনা হাঙ্গী, প্রাক্তনম্‌=প্রত্নম্‌। প্রাগভূতিমদাসীদিতি প্রদিবঃ। প্রকৃষ্টবয়াঃ প্রবয়াঃ ইত্যেবমাদি।৩।১৯।২৩।— অসিনি।

ওকস্‌=নিবাসস্থান=লৈনক্কদয়ুম হাঙ্গীবনি, মরম অসিনা য়াস্কাচার্যনা নিরুক্তদা "ওকস্‌" ইতি নিবাসনামোচ্যতে অসুম্না হাঙ্গী। লৈফময়ুম্বু ওকস্‌ কৌবা অসি প্রাচীন জাতিসীংগী মরোন্দাসু মান্নবা উই, মাহুদি মৈতৈরোনদা ওক্‌সং গ্রীককী ভাষাদানা ockos কৌই। অহুনদি প্রত্ন+ওকস্‌=প্রত্নৌকস্‌বু মুমিৎকী অহানবা থোকফম নোংপোকতা লৈবা মমাংঙৈগী অরিবা য়ুম অসুম্না অনুবাদ তৌগনি। অমসু রেভরেণ্ড কৃষ্ণমোহন বন্দোপাধ্যায়নাসু an sinthem অসুম্না অর্থ হুল্লি। মাহুবু হুজিক্কী পাশ্চাত্য পণ্ডিত অয়াম্বনা য়ানরে।

প্রত্নৌকস্‌কী মফম থিবা।

নোংপোক্তা লৈবা মমাংঙৈগী অরিবায়ুম হাঙ্গীবসিদা য়াওরিবা নোংপোক অসিদি ইথাইনা খংনরিবা নোংপোকতু নত্তে। ইথাইনা খংনরিবা নোংপোক অহুদি মাগী অয়েপপা মফম লৈতে। মফম খুদিংগী তিন্নদে অহুগা প্রত্নৌকস্‌কী নোংপোক অসিদি বেদগী নোংপোকনি, মাহুদি মথক্তা উথরে। লেটিচুট ২৪ অমসু লোঙ্গিচুট ৯৫ অনিগী করুবা বিন্দুনা তাবা মফমনী মাদি লেংদবনি। বিন্দু অসিনা অরাং ভারতকী নোংপোক থংবা লমথৌদা লৈবা চীঙশাং অমদা তাই। অহুনা চীং অহুবু বেদ সাহিত্যনা উদয়চীঙ কৌই। মাহুদি হুজিক্কী মণিপুর অসিদি অরাং লেটিচুট ২৩। ৫০ দগীনা ২৬ * ফাউবানি। নোংপোক লোঙ্গিচুট ৯৩।২ দগীনা ৯৫ ফাউবদা লৈ, অহুনা মণিপুর গিরিবু উদয়চীঙ কৌই। মরম অসিদগী পুরাণ শাস্ত্রনা মণিপুর গিরি কৌই। অমসু মণিপুর গিরিগী তমপাকপু মৈতৈরোনদা য়ুমফাল কৌই। য়ুম+হান=য়ুমফালনি, মহাক্না প্রত্নৌকস্‌কী

* হিন্দুগী আর্য শাস্ত্রদা তংথাই হেল্লবদি অমা লৌখৎপা নিয়মগী মতুংইন্না তৌবনি। থাদৈশেংবদি মণিপুরগী সীমাদি মতম ২ গী মতুংইন্না তেনসিনবা শাংদোক পা নাই। অহুন্না অরাং ২৪ নোংপোক ৯৫ দি মণিপুরগী মনুংদা তাবা লোইবনি।

তৎসম = মান্নবা মিংনি, হাঙ্গৈবা ফাইলো লোজিনা তাকলে, মাসীদা চীংন-ফম লৈতে।

মরম অসিনা ঐখোইনা বাল্মীকিগী রামায়ণ অমসু জৈমীনিয়াশ্ব-মেধগী শ্লোকক লোইননা সংস্কৃততা মথাগী শ্লোক অসিবু হাঙ্গ,—

"রম্যং মণিপূরং নাম বভ্রুবাহন পালিতং।
দ্বিতীয়মিব বৈকুণ্ঠং স্থাপিতং বিষ্ণুনা ক্ষিতৌ ॥" তত্র চ—
"উত্তরেণ পরিক্রম্য জম্বুদ্বীপং দিবাকরঃ।
দৃশ্যো ভবতি ভূয়িষ্ঠং শিখরং তন্মহোৎচ্ছ্রয়ং ॥
তত্র বৈখানসা নাম বালখিল্যা মহর্ষয়ঃ।
প্রকাশমানা দৃশ্যন্তে সূর্য্যবর্ণাঃ তপস্বিনঃ ॥
অয়ং সুদর্শনো দ্বীপঃ পুরো যস্য প্রকাশতে
তস্মিং স্তেজশ্চ চক্ষুশ্চ সর্ব্বপ্রাণভৃতামপি ॥"
ইত্যেবং বাল্মীকিনোক্তমস্য স্থানস্য বিন্দুকং,—
"প্রাণিচঃ পূর্ব্বতো বাণগ্রহে দ্রাঘিম্নি চোত্তরা।
চতুর্বিংশে নিরক্ষাচ্চ যত্র তিষ্ঠতি বৈ সদা ॥" ইতি—

মণিপূববু বেদগী নোংপোক কৌবাগী লেংবা য়াদবা শাথী।

মণিপূরনা চৎনবিদাদি ভারত পুন্নামক্কী নোংপোক নক্কে। অতুগা বেদগী মত-তাদি মণিপূরনা ভারতবর্ষ পূম্বাগী নোংপোকনি। অতুগা মণিপুবদগীদি ভাবত পুন্না-মকনা নোংচুপতদি লৈতে। * ব্রাহ্মণ অসিবু থূদম উত্তনা ব্যাখ্যা তৌগে, মাত্তদি.—হরদ্বার, হরিবে দগী মণিপূবনা নোংপোক্তা লৈ। মণিপুরদগীদি মাথোইনা বায়ু-কোণাদা লৈ। মাস্থমতৌঙ্গু মণিপূবনা কুমারিকা অন্তর্দ্বীপতগী নোংপোকতা লৈ, অতুগা মণিপূরদগী কুমারিকানা সন্ধোংদা লৈ। অসুন্না বেদনা তাকই। মরমদি,—সাজ বেদ হৈবা ব্রাহ্মণ অমনা করিগুম্বা বেদগী থবক অমা তৌবদা বেদনা তাকলিবা নোংপো-ক্কী বিন্দু তমত্তনা প্রাগ্‌বংশ নত্রগা লয়ি অমা চিংগনি। চৈদোনদগী নত্রগা লয়ি

* মাসিদি দিগু মীমাংসাগী হৌনবানি। সিদ্ধান্তশিরোমণিদা ভুবনকোষ বর্ণনদা এংবিন্দু, মাত্তদি "পূর্ব্বাপরেবিচিত্রসংহে।"—ইত্যাদি।

যজুর্বেদগী প্রাচীন ভবনবু যুম্ফাবনি, হাঙ্গীনা তাকপদা মণিপুরগী মপানগী শ্রুতি অমসুং ম-ণিপুর মঙ্গগী অনুশ্রুতিগী শ্রুতি অনিনা প্রমাণ তৌবা।

মতোনদগী তেন অমনা বেদগী নোংপোকতগী কাংলবাদ সোইদনা মণিপুর গিরিদা পানগদবনি। মাহুদি যজমান অতুনা অবাংদা হৃষীকেশদগী কাপ্লক্রবাসু মাহুগুম্না মথাদা কুমারিকা অন্তরীপতগী কাপলক্রবাসু অমসু নেপানদগী কাপ্লবাসু তেন পুন্নামকনা মণিপুর গিবিতদা পানগনি। মরমদি মণিপুবদি ভারতকী লম পুন্নামকী লেংদবা—হোংদবা বেদগী নোংপোকনি। অসিগুম্বা নোংপোক মণিপুর অসিবু খোংচোংলপীনা লৈপাক্তা নোংথোগা শম্নবা মফম (ক্ষিতিজবৃত্ত) দগী খুদোল ৮৬ বাংথৎপা মফমদা থোক্ত্না উৎলি। মম্নবা শ্রুতিনা অনুশ্রুতিনা, থবকনা, মশকনা অমসু খুদমনা মবম ওইহনা মণিপুব অসিবু প্রভোকস্ নি হাঙ্গীবা থংই। মাসিদা থমোইপাংবা মী অম-ত্তনাসু থংলোইদবা লৈতে। সুপনাগী মীংতাংবাতনাদি উদবা য়াই।

প্রাচীন ভবন।

ঐথোইনা মথক্তা উৎথরে, মাহুদি মণিপুর গিরিগী তম্পাক যুম্ফালবু তাইবং-পানবগী লাইরিক পুস্তদগী মানা মহানলবা ঋগ্‌বেদনা "প্রভোকস্" কৌই। মাসুম তৌহুনা যুম্ফাল কৌবা পৃথিবী পুস্তদগী মানা ইহান হানবা মফমসিবু বেদগী ব্রাহ্মণ ভাগতানা প্রাচীনভবন কৌই। মাহুবু শুক্লযজুর্বেদীয় মাধ্যান্দিন শাখাগী শতপথ ব্রাহ্মণগী আখ্যায়িকা অমনা প্রমাণ তৌই,—

ঘৃতাচ্যেতি। বিদেঘোহমাথবোহগ্নিং বৈশ্বানরং মুখে বভার তস্য গোতমো রাহুগণঃ ঋষিঃ পুরোহিত আস, তস্মৈ হস্মা মন্ত্রমাণো ন প্রতিশৃণোতি নেন্ মেহগ্নির্বৈশ্বানরো মুখান্নিষ্পদ্যতা ইতি। ১০

তমৃগ্‌ভির্হ্বয়িতুং দধ্রে। ববীতিহোত্রং ত্বাকবে দ্যুমন্তগুঁ সমিধী-মহি অগ্নে বৃহন্তমধ্বরে বিবদেঘেতি। ১১

সন প্রতি শুশ্রাব তম্বা ঘৃতস্রবীমহ ইত্যেবাভি ব্যাহরদথাস্য ঘৃতকীর্ত্ত্যা বেবাগ্নির্বৈশ্বানরোমুখাদুজ্জজ্বাল তন্ন শশাক ধারয়িতুগুঁ সোঽস্যমুখান্নিষ্পেদে, স ইমাং পৃথিবীং প্রাপাদঃ। ১৩

তর্হি বিদেঘো মাথব আস। সরস্বত্যা গুঁ সতত এব প্রাঙ দহন্নভীয়ায়েমাং পৃথিবীং তং গোতমশ্চ রাহুগণো বিদেঘশ্চ মাথব পশ্চাদ্দহন্তমন্বীয়তুঃ স ইমাঃ সর্ব্বানদী রতিদদাহ সদানীরেত্যুত্তরাদ

[illegible]

গিরের্নির্দ্ধাবতি তা গুড হৈব নাতি দদাহ তাগুড হস্মতাং পুরা ব্রাহ্মণান্ তরন্ত্যনতি দগ্ধাগ্নিনা বৈশ্বানরে নেতি। ১৪

তত এতর্হি। প্রাচীনং বহবো ব্রাহ্মণা স্তদ্ধা ক্ষেত্রতরমিবাস স্রাবিতরমিবাস্বাদিতমাগ্নিনা বৈশ্বানরেণেতি। ১৫

তদুহে তর্হি। ক্ষেত্রতরমিব ব্রাহ্মেণা উহি নূনমেনদ্ঘজ্ঞেরসি ষ্বদস্ত সাপিজঘন্যে নৈদাঘে সমিবৈব কোপয়তি তাবচ্ছীতা নতিদগ্ধাহ্যগ্নিনা বৈশ্বনরেণ। ১৬

সহোবাচ। বিবদেঘো মাথবঃ কাহং ভবানীত্যত এবতে প্রাচীনং ভবনমিতি হোবাচ যেষাপ্যেতর্হি কোসল বিদেহাণাং মর্যাদা তে হি মাথবাঃ। ১৭

"ঘৃত" বাহৈ অসি উচ্চারণ (হাঙৈবা) তৌবনা মৈ চাকপদা থোগৎলি, হাঙৈবাবু বাবি অমা লৌদুনা তাকই,— মথুগী মচা "মাথব" কৌবা নিংথৌ অমা লৈরমই। নিংথৌ অদুনা তাইবংপানবাগী ফনবা ওইবা মৈবু মচিন্দা হাপ্ত্না পুরমই। রহুগণগী মচা গৌতম কৌবা ঋষি অমা লৈরমই। মহাক্না বিদেঘ নিংথৌগী পুরোহিত ওইরমই। ঋষি পুরোহিত অদুনা কৌরদা নিংথৌ অদুনাথুমদে। মরমদি "ঐনা বা ঙাংলবদি মৈ অসিনা চিন্দগী তাথিগনি, অসি নিংদুনা থুমদ বনি। ১০

ঋষি পুরোহিত অদুনা ঋঙ্ মন্ত্রময়াঘু হাঙৈদুনা ২ নিংথৌগী মচিন্দা লৈবা মৈবু লৈসি লৈথোনলগা বিদেঘ নিংথৌবু কৌগে অমুম্না নিংলে, মাসুম্না মপুকনিংদা লেপ লদুনা॥ ব্বীতিহোত্রং‥ ‥ ‥ ‥ ‥ সিনা হৌবা মন্ত্রবু হাঙৈরগা অবোইবদা "বিদেঘও" অমুম্না নিংথৌবু কৌই। ১১

" নিংথৌ অদুনা তাদে (কৌরবদা থুমদে) মাদুদা ঋষি পুরোহিতনা অমোকহন্না "উদগ্নে‥ ‥ ‥ ‥ ‥ অসিনা হৌবা মন্ত্রবু হাঙৈদুনা নিংথৌগী মচিন্দা লৈবা মৈবু লৈসি লৈথোনদি। অদুগা সাওদুনা "বিদেঘ ও" অমুম্না পুতখরনা লোম্নাদুনা কৌই। ১২

মাসুম্না কৌদুনাসু মতান্ত্রবদা (থুমন্ত্রবদা) "তম্বা ঘৃতপ্রবীমহে" অসিনা হৌবা মন্ত্রবু হাঙৈরগা কৌই। নিংথৌগী মচিন্দা লৈবা মৈ অদুনা মন্নদা

[illegible]

[illegible]

য়াউবা "ঘৃত" য়াহৈবু তাবগা হোৎলুনা (মৈরি থোক্তুনা) চাক্‌খি। মৈরি থোক্লবদা নিংথৌনা মচিন্দা পুবা ওমদরে। মৈনা নিংথৌগী মচিন্দাগী মপান্দা থোকখিলুনা চাকপা হৌখরে। ১৩

মতম অহুদা নিংথৌনা মৈশা অহু থাংনবগীদমক সরস্বতী তুরেনদা লুপ্তুনা লৈরমই। মৈনা মফম অহুদগী হৌলুনা নোংপোক লোমদা মথং মথং চাক্তুনা পৃথিবী অপুম্বা থুংনা চাকখি। মাথর নিংথৌনা অমসু মাগী পুরোহিত গোতম ঋষিনা নোংপোকলোমদা চাক্তুনা চংখিবা মৈগী মতুং ইন্না চংখরে। পৃথিবীদা লৈরম্বা তুরেন পুম্বাবু মৈ অহুনা চাকথেক্তুনা কংহল্লি। অরাংচীগদগী চেনলকপী সদানীরা তুরেনতবুদি মৈ অহুনা চাকথেক্তুনা লানথোকপা ওমখিদে। তুরেন সদানীরানা মৈবু ফৈকাক খিংলুনা থমলে। তুরেন অসিগী নোংপোক থংবা লম পুন্নামক্তা ব্রাহ্মণসীংনা তারমদে' মৈরমদি বৈশ্বানর কৌবা মৈনা মফমসীং অহুদা চাক্লমদে। মৈনা চাক্তবা লমনি, শেংদবনি, মরম অসিদগী ব্রাহ্মণসীংনা লৈরমদে। ১৪

হৌজিক্তি সদানীরা তুরেনগী নোংপোকথংবা লম পুন্নমক্তা ব্রাহ্মণ ময়াম্না ইথা থাদোক্তনা লৈরে। মরমদি হৌজিক্তি লম অদোম অহুবু ক্ষেত্র অথোইবা ওইখরে। মমাঙদি বৈশ্বানর কৌবা থবাইপানবা পুম্বগী কনবা তৌবা মৈনা মফম অহুদা চাক্তরিবা ওইহুনা লম অহুদা তৌবা দান ধর্ম পুন্নমকনা চফু অকাইবদা হাপপা যীগুম্না মহৈ য়াংই। ১৫

হৌজিক্কী মতমদদি মফম অহু ক্ষেত্র অথোইবা ওইরে, মরমদি মফম অহুদা ব্রাহ্মণনা লৈরে। ব্রাহ্মণসীংনা লম অহুদা যজ্ঞ তৌবদগী বৈশ্বানর কৌবা যজ্ঞগী মৈনা লম অহুবু শেংদোকলে। সদানীরা কৌবী তুরেননা কালেনথাগী চাক্লবা মহাও য়াওদ্রবা মতমমক্তদাসু মাঙোন্দা ঈশিং য়াম্না [illegible]না মরম ওইহুনা সাওই (ক্রোধ) অমসু বৈশ্বানর কৌবা মৈবু [illegible] ([illegible] তুরেনগী) [illegible]না [illegible]না থনমই। ১৬

[illegible]

মাহুন তৌহুনা মৈ, অহুনা পৃথিবী পুরামকপু চাকপা লোইরবা। [illegible] হিংথৌনা মৈরা হংই,— ঐ করম লৈপাক্তা লৈপদগে? মাহুনা মৈনা মাথব [illegible] পুরই,— নংগীদি প্রাচীন ভবননি,— মাহুনা য়াম্না কোংনা মৈনা মাথবকী লৈকম [illegible] মাহুনা তাকপা মনুমদগী হুজিক ফা এবা সদানীরা তুরেননা কোসল বিদেহ [illegible] চমথোদা লৈরিবা অসিনি। মরন অসিদগী কোশল বিদেহ লৈপাক পুম্বা অসিবু মা-থব কৌই।

সমীক্ষা— শতপথগী আখ্যায়িকা অসিদগী চাংনবা লৈতনা থংলে, মীহুদি,— করতোয়া তুরেনবু সদানীরা কৌই। মহাকী লৈকমদি হুজিকী বগুরা জেলাগী মমাংদা লৈ। অহুনা মাগী মমাংদা লৈবা "প্রাচীন ভবন" হাঙবদি যুম্ফাম (মণিপুর) নি *। মাসিদগী থংলে, যুম্ফামগী অর্থবু মপানগী (মণিপুরগী ঃংমগী) প্রমাণদা তাকপনি।

মনুংগী প্রমাণ।

প্রপান (মণিপূরগী মপান)গী শতপথগী আখ্যায়িকাবু মনুং (মণিপুর মনুং) গী অনুশ্রুতিনসু হাঙ্গ, মাহুদি মৈতৈগী লাইসনামহিবু প্রজাপতি ওইনা উপাসনা তৌবা মতমদা মৈতৈনা পুরেলোম্বা কৌই। মাহুদি মচিনদা উমহুনা পোৎ পুই, মাবু লাইসীংনা কৌবদা থুমদে, হাঙ্গতুনা পুরেলোম্বা কৌই, অসুমনা অনুশ্রুতিনা হাঙ্গ। অমসু সনামহিগী মমিং অমনা (১) থোংনাং অরিবা কৌই। মাহুদি নোংচুপ লমদগী লাকপা জাতিবু মৈতৈনা থোংনাং কৌই। অতুনদি মণিপূরগী মপানদা লৈবা শ্রুতি-

* শতপথগী আখ্যায়িকা অসিবু বেবরনাচিংবা ইউরোপকী স্কোলারসীংনা য়াম্না বিচার তৌহুনা এংথি। আখ্যায়িকা অসিবু ফজনা পংহাঙ্গ হাঙ্গজিনবা ওইনা তৌবদগী ইউরোপীয়ান সীংনা ঐতিহাসিক নত্তে, হাঙ্গনা নিংই। মাথোইনা হাঙ্গ, ভারততা আর্যসীংনা লাকপা মতমদা অনার্যসীংবু য়াম্না হাৎথি, মাহুবু মৈনা চাকপা ওইনা শেমজিনবনি, হাঙ্গ। অমসু আর্যনা ভারততা লৈকম সন্দোকপা অসি মথাং অহ-মলকনি, মাহুদি আর্যসীংনা মেসোপোটামিয়াদগী ভারততা চংলকনা পঞ্চনদদা লৈরমই মথদা করতোয়া তুরেনকা ওবা অবোইবদা করতোয়াগী নোংপোক আর্যসীংনা লৈথি।

অমসু কনা ২ গুহাসীংনা নিংই, মাহুদি সদানীরা তুরেনবু গণ্ডকী তুরেনি হাঙ্গনা নিংই, মাহুদি চুমদে মরমদি "করতোয়া সদানীরা" অসুম্না অমরনা পাঠ [illegible] শাস্ত্র লায়েননাচিংবা আচার্যসীংনা লৌবকী গণ্ডকীদি সদানীরা নত্তে।

(১) ঐথোইবা মৈতৈগী প্রাচীনগ্রন্থ সম্বাদগী লাইসনামহিগী মমিং মথাবু পোং [illegible] (১৩৮) মণিপুর ইতিহাসয়া পৃঃ ২০০ [illegible]।


না* পদ্মাবতগী *নোংপোকলোমদা লৈকম সম্বোক্লকপা আকল্পুংনা করম্বোরা ফুরেল্লা প্লপানদগীনা মণিপূরদা চংখি, হাঙবসিগা মণিপুর অহুংদা লৈবা অহ প্রক্রিয়া চায়রে।

অমস্থু শতপথগী আখ্যায়িকা অদিবু মণিপূরগী আখ্যায়িকা অমসু অথৌবা য়াম্না চেংসিনহল্লি। মাহুদি মৈতৈগী অঙোম অমস্থু নোংমাইথেম শাগৈ অদিংদি, মচিন মনাও অম্নিগী ধারানি, হাঙ্গ। অঙোম শাগৈনা মখোইগী অপোকপদু পুরৈলোম্বনা কৌই। অত্তুনদি নোংমাইথেমগীসু পুরৈলোম্বনী অপোকপা (কোর কাদার) মিং অ-ঙোম হাঙবদি অঙৌবগী (শ্বেতগী) ধারানি হাঙবনি। নোংমাইথেমনা কোম্না লাকপা হাঙবনি। মাসিদগী থংলে, নোং হাঙবদি দিন (ডে) হাঙবনি। অহুগা মাইথেমনা ময়াদা মৈ পুত্নুনা লৈবাবু লাঙ-হাঙবদি ভূদেব = লৈপাক্কালৈবালাই ব্রাহ্মণনা কৌবা খুমদবা মাথবকী ধারা হাঙবনি। মৈতৈগী অনুশ্রুতিনা হাঙ্গ,—মাহুদি মণিপূরদা অঙোম্না হাম্না লাকত্নুনা কংলৈদা হাম্না নিংথৌ ওই। মতুংদা অঙোমগী ম-য়াম্বা চিঙশোম্বনা মনাওবু থিত্নুনা কোম্না লাকই, হাঙ্গ। মাস্থম তৌত্নুনা শতপথগী আখ্যায়িকাগা মণিপূরগী অনুশ্রুতিগা চপ মান্নে। মাহুদি সরস্বতী তুরেন মপানদগী নোংপোক মাইকৈদা লৈকম থিরকপা মাথবনা সদানীরা তুরেন মনাক্তা লৈরম্বা খাঙ্ক্ত:-বদা মতম য়াম্না কুইনা চংখি।

অত্তুনা মাখোইনা মণিপুরদা চংবা মতমদদি মাথবকী ধারানা চংখিবনি। মাথব ময়াদা মৈ পূবা মণানাদি চংখিদে। অমসু মাথবকী ধারাবু পূরাণনা মিথি কৌই। মহাক্কী রাজধানীবু মিথিলা কৌই। অমস্থু মিথিবু হুজিক্কি মৈতৈরোনদা মৈতৈ কৌই, মাখোইগী রাজ্যবুনা মৈতৈ লৈপাক অস্থুম্না মৈতৈরোনদা কৌই। মাহুদি মৈতৈনা লৈবা পাট = পাত, প্লেন হাঙবনি। পাট তি, "পাটীগণিত" মিংগী পাটনি, প্লেন হাঙবনি, দ্রাবিড়সৌংগী ময়াহৈনি।

* মণিপুর প্রতিভাগী অহানবা পন্দুপনি *

—:(*):—


Jawaharlal Nehru University-Centre of Post-Graduate Studies, Bhopal.
LIBRARY